সনঁম কুমশ্রী

চয়োম থুপকি

(MEETEI PHILOSOPHY)



অচেনবগি চেঙজেল
অতানবগি চয়োম

— অহৈবা

HIDDEN TREASURE
IMPHAL NORTH
Present

"CHAYOM THUPKI"

অইবা : ঐইচ, মকর লুরাং, মন্ত্রিপুখ্রি, ইম্ফাল।

অফোঙবা : এস. অচৌবা খাবা ঙানবা
খুরাই খোঙাম লৈকাই।

হকপুম্বা অইবগীনি মমল লুপা ২০০

Commerce Without ethics
Knowledge without Character
Pleasure without Conscience
Politics without principle
Science without humanity
Wealth without work
Worship without Sarcrifice.

—Mahatma Gandhi

লোইবী চীঙোল শেমলসী
তম্পাক য়ুমফম থোল্লসী
রায়েল খরায় থারসী
মচং মচংতে খল্লসী
থোয়াং লম্মল শিংলসী

—এডমিনিষ্ট্রেটর ইউ, এন, সি, সি, এ

১৯৬৭ ইং

মতম মফম মরম কায়নফদে,
লৈপাক নিংথৌ মায়চৌ খানফ:দ ।
চৈনাৎ ইনিজ লাংদবা শাংলে,
লয়পুঙ য়াকাস্থু য়াওদবা কুইরে,
তাইবঙ লমজেলদৌ হংচাৎনি ।
খোঙকাপ নোৎপনা রাগনি,
থুনৌংথেক্কি লাইকোলদা,
চয়োম থুপকি খরদং,
থুপচাননা য়াল্লমসা ।

—হীদন ড্রেজর ।

ৱাহৌ

হিংবা ৱারল্লবদা মাঙখিবা মতম পাম্মুরকপা চিরবা মতমদা ত খিত্র বা কয়া তানীঙ উনীঙলকপগুম ৱাথল লৈবা কংলৈচ শিংনা ইপা ইপুনা থনয়া লৌশিং কাঙলোন কয়া নোৌহোনা পায়রকপা মতমনি। অতুগা লাংরিক অসিগি মচাক্তি মাঙলমচতা ডাঙন শানরয়া মহুং হঞ্জিনথ্রবা মতেক মতেক অহৎশিংগি টীন্দা তাড়না লৈরম্বদগি থোমজিনহোবনা নম্মি। চক্রি তক্লগা চমাং ফংবগুম অহলগি ৱারীদি তাহোরগা ৱাফম কিশিদী লৈরমদব বঙা হাঙরি। ৱারীতু নো থাঙ চাইরবা ৱাথনগি ভৱল চঙলগা পুথোকচবা ৱাতেকনিনা চেংঙো তাবদী ইতিক নত্রে। অদুবু অঙাওবনা ফোঙ চরা নোংংে মৈ হায়বা অমদা লৈবনিনা "চয়োম থুপকি" কৌবা লাইরিক মচাসী ইজৱবনি।

মমীংপু থুদেক্তবদী মকুম মথ দা মরন্নাই চোংজরকপগুম অহলশিংনা শিবদা পুখ্রগদবা ৱাফম কয়া থুংহোবসীবু মাঙনবা অমদী চুম অবান নৈননবা লৈপাক মীয়ামদা লাম্হোক্লগা কামবা মচাক মরীক অমসু ফংংগসু চোকথরবা নহারোলগি চক্ষমতমী ওইগদ্রা থন্দুনা অফোঙবনা পুথোকপিবনী।

— অইবা

য়াইফরোল

চীঙনা কোয়না পনশাবা হাওনা কোয়নবা পনঙাকপা
মৈতৈ সনা পুঙময়োংনা য়াইফরে ।
মঙাং, লুয়াং, খুমন,   শরাং-লৈশাং, অঙোম,
খাবা-ঙানবা,   মোইরাং তিল্লে ।
নোংদোল খেংপা কৌব্রু   পাক লংবা লোক্তাক
চীঙ্, মাগি খুংশেম্মা নিল্লে ।
সনা থোঙউ থোক্লিবা মফম   লুপা থোকউ থোক্লিবা লৈপাক
চীঙ তম পোকপী ইমানি ।
নুমিৎ কাব্রিঙৈ কাহৌরো   থবী চাউরিংঙ চাউহৌরো
লৈপাক নিংথৌ পুম্মা য়াইফরে ।
য়াইফরে   য়াইফরে   য়াইফরে
শিদয়াই   নাদয়াই   ফংলে
তেংপানবা মপুনা য়াইফরে ।

ইজবা :— এইচ মকর লুয়াং

অকোগবা :— এস, অচৌবা খাবা গানবা
খুরাই থোংগাম লৈকাই ।

অইবা :— এইচ, মকর লুরাং
মন্ত্রিপুখ্রি, ইম্ফাল ।

কপি মশিং :— লিশিং অমা আগষ্ট ১৯৯৫ ইং

নম্বম :— চীঙ-তম প্রেস, নাওরেমথোং ইম্ফাল ।

চয়োম থুংকি

(১)

থাওয়ি লোক্তাক ইয়াইদা লোইনাম খাজ তিল্লু কলৈ কাকয়েন য়াম্বা খোঞ্জেন্দা থরো লেম্ফু তাউবগুম হৈতনা পোংথিরুবদা লৈপাক্কি লেম্ফু তাউরনি বায়েল হৈঙম শিংঙমলোইয়ে।

খোংনাং থাবা

থকসি খাসী নাইদ্রবা নুংশিবা মশক খঙদ্রনা তমথিরবা মতম অমা লাক্লদৌরে তাকপা রাফমনে। মতমদু য়োরবদা মপা মচা খঙমররোই অঙম অঙম খাঙনা য়ান্নবাগ ঈনা লোক্তাক খরা শারনি। ময়ায় লেপলিবা কাঙবুনা কয়ারক তিন্নতুনা থন্নদন। লে ইদান খাজ কয়ামুক লুকথ লুকথ লৈনরনি। কাকয়েন্না নোংথক্তা খেবপদা লোক্তাক্কি থরো লেমফু তাউবগুম, খঙদবমখৈ কৌশিন হৈতবমখৈ খোংজিন লৈপাক ফমবৈ লাংবনা লৈপাক্কি লেমফু তাউরগানি বায়েল লংজিন খঙগরোইয়ে।

(২)

লৈপাক মাইবা থুরাইতাও
নিংথৌ মাইবা চিরাইতাও।

মশীদু লায়না ফজবা মাঙলমচংকি বানি। হান্নগি মীশিংদী মাগি মাগি থোইনা কান্নবা খিদনা মথোদা পুক্কিঙ চংই। অদুগা হায়নবা ফাকম শোয়গনি হায়বসীমগা কৈ লৈবগুম কিনৈ। লৈপাক্কি মাইবা ওইরুরবনীনা নোংজু মুংশা অহিং তাইবঙ লৈত লাইর খাক্তনা হৈনবদা

খুরাই তাংবনি। অদুগা অমুক নিংথৌগি মাইবনা হায়রনীংবত হায়রবা নিংথৌগি রাকম ঙাক্লবা থনবদা চিরাই তাঙবনি ; হাররিব অনীসিরক ঙসিদী মমিং তাদ্রে।

(৩)

অইংববু শাহনবা ঙম্মী
অশাববু ইংহনবা ঙমদে।

মসী অতপ্পা অইংবা চনীঙ তাবগি মতিক ময়ই ফে'দোকপা রাকম অমনি। চনীঙ তানা থম্বনা অশাউবা কন্নকপা কয়াবু মায়থীবা পীবা ঙমই। তপনা শুব থবক্তি শিল কযা পাঙত্রবস্থ থবক ঙংথোনবনি। লোক্লংগি ইংলবা ঈশিং মতু মৈথক্তা লোনবদা চুম্নগি শাবত নবনা কংহনবা ফাওবা ঙম্মী। মথংদা অমুক অশাবা ইশিংহু মৈংক্তগি থাং-থরগা থম্বদা ঈঙবদী য়াই অদুগা মুং ফাওবা অইংবগি মহাউ অত্তদী কৈদৌম্নুংদা ফংলরোই। শাথিনা থুংথে'ক্লবদগি য়ৈথংপা ঙম্বা অহল অমনা থামতুনা ইংলে। অদুবু থমোইদা য়েকথ্রবা শাওবগি মৈচাক্তি থক ইংহনবা ঙমলোই।

(৪)

মীংকি হিদাক ইশিং য়াগি হিদাক থুম
য়ুমগি পাঙ্গল ফক্লাং মীগি পাঙ্গল থাঙ।

বাফমসী ইরায় লায়বা কাউবদী কাউহনমিংদবা মরম্নদগি থনস্থানে। মীংতা অইংবতনা য়াদা অয়াকপতনা হিদক তৌগনিয়ে ফক্লা কল্লিমথৈ য়ুম তৃবা হৌনদে, খ্বাংবু য়াত্রবদী কন্না কন্না পাঙ্গলদু শিজিন্নবা য়াত্রে।

(৫)

ওরাংগি রাফম থন্নসী/হয়েংগি রাফম মৈনসী।

য়েলহৌভৈগা পোলোইগা অনীগি লাংদাই রানে। মমৈগা ময়াগা চীক্লবা ময়াদা লৈবা লাইরৈপাক্কি মীশক্লা থনম্বা রানে। পানগী রা খন্নগনি মুংগি রা নৈনগনি, খন্নবদগী নৈনবনা শাথিনা হকপনে খাও। ইপা ইপু লাইশিংনা ইরম্বা মাণ্ডলমচৎকি থোকপ্রবা থৌথোক রাথোক অত্থু অফ ফত্ত খন্নগনি ফত্তবা হাইদোক্কনি অফবা খুঞ্জিনগনি। মসীনা খরা য়াংবা অহুগা তুংদা করি থৌথোক থোক্লগদগে অকায় অতোই লাক্কদগে খণ্ডবা অমম্বা রাফমসীদি খন্নবদা মচি লেংলোই। থোক্লিবা তুংগি রানিনা মতম চঙনা থক্কি রাফম মাংগি থৌথোক পুল্লগা মশা ওইনবা নৈগনি। কয়ারক মরেক কোখৎকনি মাথি তাবা হৈদোক্কনি। মরমসী লৈবনা নৈনবনা হকই হায়রনে।

(৬)

অপীবা লৌ পীক থনগনি
মুন্দুনা লোন্ পুম্মুৎ মুংকনি।

অপীবা লৌ হায়বসীদা কিশি অমা লৈরে! ঐনা অপাম্বা চাং অমা নিরুবদা মগুং অমা পীরক্লবদী মত্থু লোগপ্রা থন্নীঙাইনি। লৌ-ক্লরগা থবক্লা চম্রপ্রতুনা অমদী শাওমীংতুনা অরেম্বদা মাংহনগ্রবদী কৈ-দোমুংদা থঙ্গৎলক্লরোই। তাইবং মী হায়বসী চৌনিংবমা পীনিংদবগি মশিঙ হেল্লি। অহুনা মগুং অমা পীরিবত্থুম্ মুংশিবদগি পীবনি। হৌ-জিক রাখলগি লম্বী অনী ফংলে, অমনা পীরক্কদবা মীশক্লু ঐবু মুংশিনা মীশক ওইবা অহুগা অমনা পীরক্লিবত্থু ঐগি ফংফম থোকপা চাং ওইদ্রা অসিনি। ঐবু হেক মুংশিবদী ঐতনি, ঐনা ঐঙোদা ফংফম থোকপা

শরুক পীরবদি ইথুংনা হরাওনা লৌরগা তুংশিনগনি হায়বদি হুমাংমন লৌ মাঙলরোই হায়বনে। মুন্দুনা লৌবা হায়বসীদি অকনবনা মমন্থনা লৌবনিনা থৈবু হেননা কনবা অমনা অমুক মঙৌন্দগি হেন্না লিংবনা থুংথাঙ অমুক লৌগ্রবদী বরম্বা মতমদা তুংশিনগদগে।

(৭)

ক্বাক্কি চাকচা য়েংজো
য়েনগি য়াহিপ তমজো।

য়েনগি য়াহিপ তমজো হায়বদী ঙন্না হৌরগা হকচাং ফৈ থবক পুম্নমক নংই শোয়রবস্থ হন্ননিঙাই মতম লৈ অহোঙ অচাউ ফংই অমসুং হান্না উবা থঙবা হায়বন্থ ওই হায়বতনি। য়াম্না নুংবা মচাক চেনবা বাকমদী ক্বাক্কি চাকচা য়েংজো হায়বসীনি। চাম্নিবা হাওই হায়বা বা মরৌ অমা অমুক লৈরে। মসিগী রাহুস্কোক কয়া লৈবা য়াই, অদুবু পুগদবদী ক্বাকনা কোপাই পাইদুনা বানা থিরুরগা চংম অমত্তং ফংলকপদু থিল্লগা কন্না খোংইবদুনি। ওসি ময়াম কৌরগা অমনা অমুক হয়েং খোংগনি মথংদা অমনা অমুক অদুনদী মচিঙ্গাক থিবগি অরাবা থরদী লেল্লে।

(৮)

লৌউবা পুক্লিং নংঙাই
লৌশীনবা মীবা তাই,
লৌরংবা পুক য়েকই।

থরান থামৈ লাংবন থাকোক চঙলকপদা হুংশীংকি ফৌরোইদা ফৌনাগি অগোই মরক্তা থক্কি নোংকুপ খীকথরকপা তাঙ্গানি। লৌমীনা শাবন্দা ফমলগা মানা লোক্কদবা ফৌথোক্কি চাং অদু মমীংতা উরদুনা

লুংঙাই। মথংদা লৌপান্নবা মীশক্না লৌ শংতোক শংচিন তৌবগি মীরা মীশা খন্না মতায় রাকন অনিসি থোইনা লুদ, ঙাইহাক লুঙাইবা ঙ ইহাক বাবা হৌনশানি। ইকোন কোনবগি "লৌমংবা পুক য়েকই" হায়বা অসীদি শাথিনা রাবগি মওংনি। নীপা অমা লৌ উগে হেক মীংলকপা লুমিংতগি চঙগদবা পোংচঙ লাঙবদা থবক্না হাঞ্জিল্লক-লিবনি। মবৌ লৈতবা মশল লৈতবা ফৌদী অমম্লুং হৌজিক হৌজিক চানীঙাইসু লৈতবা অতুগি মথক্তা থাঙ্গোল হুমাই কাওবা হেক রাইতুনা শান্দনা লৌউবা মীপাতুনা লৌ লৌরগা ঙংগদবসী য়েংউ। লৌশান শনশান,পুরুবা ফৌদী চানবা লৌশিন্নবা ফৌ অমম্লুং খুংজু খুংল'ইগি ফৌদম পীগ্রগা ফৌনৌ চবা অমত্তং চাহৌগদ্রা অসীনা ওইবে পুক য়েকএ হায়বদী। অসীগুম্না মীতৈ ঐখোয়সে লোল ময়েক লাইনিঙ অমম্লুং লৈঙকলোন পুমনাই রাইরগা পাল্লিয়ে।

(৯)

পেকতুনা লৌবা পেরুকনি
গ্রি গ্রি নম্বা শৌগ্রিনী।

খজিক্লং কান্নবা লাইরোলনি। ইকচাংগি শক শযাংদা চঙথ্রবা অরিবা লুংশীং মখে পেক্লুনা তাশিল্লগা থাদা থাদবা ওমই হায়বদগি মাবু পেরুক কৌবনে। খোয়দৌ মথাগি কোমদা লুংশীং অশাবনা য়েবদা ঈশিংতু পুমতুনা লক্তা প্রুক প্রুক শৌগংলকপদা গ্রি গ্রি নমথবা ওম্বনা মাবু শৌগ্রি কৌবনে।

(১০)

লৈ খুজোক কংপনা ছয় খুয়া ফংবনি।

খুজোক অমা চাইথোক্লবদী খুয়া অমা খামগনীয়ে। মপাল শাঙ্গিবা খুদীঙমকলিবু লৈ কৌএ। ঙঙাই কদবা থরমখৈ হেক্লবসু

পাদ্বীথক্লা মপাল মরাং কায়না শাংহল্লবদী মহয় খরদং য়ানবদী শোয়দ্রে। খুল্লোকপি শান্নবগি কাঙলোন্দা অঙাংনা উংলিবসীমক খাখল লোনসী মাঙদনবনি। খুজোক থল্লবা মক্ল অহ মপুদা কংপগি পান্দম লাক্তুনা লোংথক্লা হুনগংলে ত্তারকপা থুনমদা য়াবমথৈ তুংলে। মথংদা অমুক লংখংপদা খুয়ানা লোক্লিবহু মাগি মরু শরুক ওইরবনে।

(১১)

শাগোন্নবা অথওবদা হংউ মক্ল ফংগনি
লেংথৈনবা অহৈবদা চংউ মচু ওনগনি।

চারোন গুরোনগি মক্ল থনম্নবা অমা অদুগা মশাগি হৌজিক্কুগি য়েংবা অমা লম্বা অনী মশক তাকপা কাঙলোম্নে খংও। লাই ওইব্রবা মপা মপুশিংদা মমুং তানা হংহৌহুনা খঙলবহু শাগোন্নবা অথওবনি। মঙোন্দা হংলবদী তুংগি অচওবা মক্ল ফংগনিয়ে। শোয়ফদবা লাইগি মাবু লাইবা কৌবনে অথওবগি খুংস্নুনে। অচুম অরান য়েংদবা খুংশেম্না ময়াম্বু ওকহনবা ওম্বহু অহৈবগী খুংলাইনে অদুগা মখোয় মশেল লেংথৈ-নহুনা চংনবনে। অসিগুম্বা ওঝাদা চওহুনা খুংলাইসী লৌরবদী সনা লুপা ফংহুনা মচু ওনগনি। মুংলমদাইগি থাউমৈগুম ওসিতগি খংঙান খুংলাই পায়নবসীনা অচওবা মক্ল খুলহৌররোইদ্রা হায়বসী অহলগি তেংথারোলনী।

(১২)

চৈ কারিবা হঙোইবু চৈকুম শামুনা নেংপনে
শামুনা নেংপদা য়েরুম কায়দে।

ইয়াং য়াংবা বাকমনি। চৈ কারিবা হঙোইনিনা মালা তৌনিংলা

থবক তৌবদা খোঙলো পল্লোত্রে খঙলে। অদুবু মাদা কন্দুনা হঙোই অমগি লাইনা শীবা পাক্কলদগি হেনবঙী থক য়ারোই। অদুনা মরাই চায়থরবগী শামু অনাবা অমনা নেংপদা হঙোই মহী চেনগনি। অমরোমদা ফিরেপ চানা লৈপ্রবদী য়েরুমদা শামুনা নেংপা থাঙই হায়রি।

(১৩)

শাদগি লাই থাইরে, মীদনা লাই চঙলে।

শা ঙা তীল কাঙ উংকে পুম্বসী শাগি মনুং চল্লি। মখোয় অসীদি মপা মরোমদোমদা হিংনবা মচিঞ্জাকস্থু য়াংতনা চাইথেক্লুনা থমলি। অয়াংপা লৈতনা মওং তানা শেমদুনা থমলীবনীনা শাদগি লাইনা লাপথোকলে অদুগা মখোয় মখোয়গী লাই নীংথগি থৌদাং লৈত্রে। অদুগা মী হায়বসীনা থবায় পানবশিংগি মরক্তা খ্বাইদগি শোল্লখনি। থরদং ইংবদা খী নত্রগা মৈ অদুগা অকনবা অথৌবা পোং অমত্তং খোঙনা নেংপদস্থু খোংউপ হেক্তা চঙই। খুংনা হোংনবদা য়াবমখৈ খুংলাইনা তেঙবাংলি অমস্থুং হেন্না লুবনা হিংনবা চিঞ্জাক থিবা হুম্বগি থৌরম অসীনি। অমরোমদা মীওইবদা বাথল হায়বা অমত্তংদী পীরি, অদুবু বাথলনা লাম্বা কংদবা কোঞ্জায় লৈবদগি মওইবনা লাই নীংই লাইবু থিরকই, মসীবু থিঙাও কৌএ। লাই হায়বসানা অমুক খল্লকই মহুদী ত্রৈনা শেমলিবা তায়বওসীবু ওাক শেনবা পাম্নবা ওস্বদী তাইবংমীতনি। মসা থন্দুনা কায়নত্রগা তাইবঙমীবু অমুক লাইনা নোংহৌনা থিরকপবু লাইঙাও কৌএ। মরমসী লৈবনা মীওইবনা লৈরিবা য়ুমদা লাইনীংথোগক্‌পা অমা কন্দুনা থমলিবা অসীসি।

(১৪)

অমা চৎপা অপুম্বা অনা চৎপা অশিরা

অহুম চৎপা ফঙবা।

ঃ। অমথ্রী চৎপতুদী মানা চৎলিবা মায়কে সজাই কম্বিগু খতাৎ দোল ময়াড ভাত্রবনিনা হংকমস্তু লৈত্রে। অতুনা কাঙখুল মুৎলে পুমলে। অনী শুরবদি পাও ফংগমি নত্রবস্তু অশিবা মশাতদি খংবগি রাখম লৈ। অহুগা অহুম হেক শুবদা পাজল থোকলে অমনা অনাবা শঙঘোর অয়না চেল্লক্রুনা পাউ পীররে, চৎতুনা মথরায় কনবস্তু ভমলে।

(১৫)

তুমদবা হৌদোকপা লুই

হাও নাতৎপা ঙাংনবা য়ারোই।

তুমদবা মীবুদি কম্বিগি হৌদোকলুনি। তুমলিমাল্লে হায়ুনা লাউ খোংহুনা নীকুনা হৌদোকদা হৌগৎলক্রবদা তুমদে তুম শন্নবনি খঙৎ লুকপনি। হৌদোকপা লুই হায়রদী হৌদোকক্কম থোক্কে তুমদবনিনা হায়বজনে। থংনবা রাকমসীনা অমুক ঙক্লা থোক্লে। মসীগি রাহস্তোক্তি হৌখিবা য়ারী থৌথোক কয়াগি রাকমতনা মনাকোঙতু থল্লহুনা শেগায়-রবা হায়বদী য়াম্না তারবনীনা মাগা ঙাঙনবা থুৎলোয়ররোই হায়বনে।

(১৬)

লাঙগন লাংদা থুগনি

লানগন লাল তাগমি।

রাথল চোইদনা থবক অমা পাঙনবা হোৎমরিদৈদা লাঙলথনী থুগাইবা ওইনা থোকই। মপুঙ ফাবা অনৌবা শক্তম রারী য়েংলি ভারিদৈদা লাঙগম্বু য়ৈথৎপা ওইনা থোকই। নিংথৌনা লৈপাক্কি থৌরম

অমা মানা য়াংলিঙৈদা ঈরাং কাঙলম চেল্লবদী ফাজিনবা তাবনি। খাখল য়াওদবা মংগি পাঙ্গলনা মরাল লৈতবা অশোন অনাদা নত্তীক উংলবদী মীয়াম উপশিল্লকনিএ।

(১৭)

মরী থদংকন্ মহয় য়াল্লোই
মতাম্ লৈসন্ মখোঙ খঙলোই ॥

থেক্লা কোয়না চংলিবা মউ অহুদা মনা চোংলিবা মপাল শাল্লি-বহু মরীনি। অসীগুম্বা মরী অমা থদংফদে, মরমদী মনা মপাল কংগ্রেন বদবু কদাইদগি মহয় য়ানগদগে। অহুনা হৌজিক হৌজিক অয়ুক্ক সুমিদাংগি তোংন তিন্নরিবা অমদি থবক ইনথাং চংমিন্নরিবা অফ-ফত্ত তানহুনা তেংবানরিবহু মরীনে থংও। অশম্বা রাকমদা ঐবু অরা-অনাদগী কনবিরিবা অমাং অপা থঙ্গংপিরিবা মীশক অহুগা লৈনবা মরিদ্ কল্লবদী অরাবগি কোমদা তারগনি। অদুগা মতা হায়বসিদি মখোঙদা মকোহ ওইনা চোংজবতনি মঙোন্দা মনা চোংগদবা নত্রে। অহুনদী মশক মশা খঙদ্রবা ঐগি ইপাবু পোকপা ইপু অহুগি মনাওনা পোকপা হায়বনচিংবা রারীনা খঙবসিদগি কৰিমু ফংনিঙাই মতেং লৈব্রবনি।

(১৮)

শনাও নারিলও লম্ফেলন্ চরাইন্
চুংথাদ পেলোনা

পাঙ্গলগা লিংজেলগা য়ামা শাথিনা খেন্নে। কল্লবা শামু চেনগনি লাইরেন চেনবা হৌনদে "লাইরেন্না মতীক চাকপদা লফুং কাহুনা

শি" হায়বা রা লৈ। লিংজেলগা পাঙলগা অমুক ৎমুলগদি লাম্বা লৈত্রে। পাঙল খরা রাৎপনা নিংথৌগি চয়রাক কিহনা রাইয় থৈরপ ইবদগি রাহম্বোক খুনবা রানা থোকলে। খোমদোলগি রাহয় মক্ষ ওইবা অসীমক পাল্লোনা হায়গদবরু কিহনা পেলোনা হায়রমলে।

ইপা ইপু সোন সোন সবা হায়না অঙাং তম্বীবগি মওংদা শাম্নরি-বসীমক শোনশিবা হায়গদবনি। খঙলে খরদি থৈনা ইরমলে। অদুবু হৌজিক্কী রাফমসী অমুক নৈনসী। সনাবু মৈনুংদা হুজিল্লগা মচু হেন্না লংবগুম নরিংজেন হন্দনবা লপাঙল য়োকখৎলু। অদুগা লীকতা চৎলু ফেলগনু অমস্তুং মীগী চৎনবী রায়গনু চুঙ থান্দুনা পাল্লোনা।

(১৯)

পোল্লগা শিবা লম্মন্নি
মুল্লগা কেনবা ময়েকনি।

মচাক চেন্নিবা রাহয়সী লম্মন্নি হায়বা অমা ময়েক্নি হায়বা অমা অনী অসীনে। পোল্লগা করিগি শিদোরিবা মুল্লগা করিগি কেন-গদোরিবা হংবদা রাহয় অনীনা পাউখুমলি। মপুগি কৈকোম শেংলুগে তাইবঙ কুম্মেস্থু য়েংলুগে পোকলকপনি। মশাগি শয়েং পাম্মোম ময়েং তারক্লুনা লৈকোন শেংবদী হায়রুমু তাইবং কুম্ম ফাও য়েংনীংজে। নংগি হকচাংসে মপুগি মল্লবা লননিনা তাইবং মপুদা অমুক হুজিনফম থোকই। অদুনদী অনৌবা হকচাং অমা শিন্নবা মাগি মনাক্তা য়োদবা ইয়া রাদ্রে। মথংগি রাফম্না নমাঙ থারকপা মপাল কেনগ্রগা মহয় নং লাকপনে, মমুন ফারে মকোক লোয়রে। থক্তা অদুম লৈরবদী চেক্লাগি থায়াত্তা তাগ্রনি অদুগা লয়মায়দা কেল্লগদী তাইবঙদা নংগি কাংলুপ লাকথিনিয়ে। মরমসী লৈবনা হৌরকফম লয়মায়দা কেনবনি।

(২০)

য়ুবী কোম্লগা কারিগি য়োংনা কপলি।
লোকনুংদা ঈচেলনা করিগি লেপ্তনা লাউরি।

লেপতনা চংলিবা মতমগি নাওথেম ইশৈনে। য়োং হায়বসী মখুং লেপই, তিনখুং লাইখুংতু মওায় হায়নৈ। য়ুবী উবদা তাপ কোম্লি থক নীকই। মনুংদা কৈনো অমা লৈরে অমুক নীকই হেক কপই। য়ুবীগি থারবা মপালগি কুয়োম কল্লবা মথংগি মকু য়া খাঙবা মতোং মরোল অহুম্বু য়োংনা ফঙাইবদী মতিক নত্তে। মতৌ অসিদা লোকমুংগি কল্লবা ঈচেলনা বা বা হায়না শৈশকলি। ঐনা চেল্লিবসী য়োনবনি লাউ-রিবসানা খঙনবনি। নংনা পায়রিবতু ফংলবনি খঙলদুনা কপলিবনি। "কপত কপ্প চেংনা কোল্লু" হায়বসী পীল্লবা লৈপাবসীগি মনুংদা লৈ-রিবা য়াইহু ফংনিংবগি তেংথারোলনে।

(২১)

শেংনা চরৈ ফদী শেং
মাংনা চাকশেং চাও।

কন্না য়েংশিনবা পুনশিনববু চরৈ কৌএ। চরু অমমুং ইগি মপুল লাকশিল্লিবহু চরৈনি। মসিদগি চরৈ ফি হায়বা বাহয়সী থোকএ। কুমজা কা দনা ইমাগি চরৈ নমখাঙ হোংগনি, মচা ময়াম্বু থুংনবা য়ে-ল্লিবা লংজা চাকখুং ফদীহু শেংনা শেংলু। অদুগা মতমগি মতীক ময়াই চুপলি পায়রিবা পামহৈবা নিংথৌগি চয়রাক কিবদগি মাংনা চমোং চারবসু, পালমগি মশাইগোন্দগি ফংজবা ইমাগি চাবয়িন চাকশেংনি হায়বসী কাউদনবা থনগ্গা বানে।

(২২)

য়োংচাবীনা য়োং চিংলে
হৈনবীদা নং নপলে।

য়োং হায়বা পোং অসী মখৈ য়োংচাবীগি মচিঞ্জাকনে। অদুনা মানা য়োংপু চিংবদী মচিঞ্জাক ওইবগি চাঙবনে। অদুগা মী ঐখোয়দী হৈনবীগি মচিঞ্জাক নত্তে, হায়বদী হৈনবীনা মী খুদীঙবু চিংবা উমদে। অদুনা নংতনা চঙদুনা হৈনবীদা নপলুবনি।

(২৩)

মীরা মিপাউ তাদ্রবা
মশাত মী ওইনবা হোংনবা
মহাকতো অথোইবা মীনি।

মী য়ামলগা রা য়ামই হায়নবা লৈ। মীয়ামগি মরা মপাউবু তাশিল লৌশিল্লবদী খঙ্দোক খঙিন্দা পুন্সী কোন্নরনিয়ে। মীওইবগী লীচং শাজংকি মমুং চন্না লৈরগা নশাত মী অমা ওইনবা হোংনৌ। নংগি নতৌ নওং পামদুনা মীয়াম্না হেক তম্নরকপা মমীৎতা নহাকপু অথোইবা মীনি হায়না শোন্নরনি —

(২৪)

মরোই মপাং হেকচিল্লু
পানাউ শিংনাউ নমশিল্লু।

মমুংদা চেল্লিবা রাখলসী মপাম্থোংগি ওল্লিখৈদা ইংখোলদগী মরোয়

মপাং হেকচিল্লু হায়রক্তুগি পান্দম লাক্লনা ইরম্বা অহৌকপা রাক্মঙ্কি । মাগা পক্লবা লোয়নবা য়াবত্থু মরোয়নি মপাং হায়বত্থুদী মহুৎ অচুক্ক শিনরবনে । ঐগা মতম শাংনা কায়নদনা হুংশি হুংওম্না লোয়নগদবা মীশক ঙাইহাক্কী ওইবা মীশক খঙদোকউ হায়বনে । মথংগি রাক্ম-সীস্থ মত্থু মঙায় লৈম্নুংদা নমশিল্লগা হৌরক্কদবা তিলহৌ চনম আলু য়াই-ঙংনচিংবা কয়া লৈরি । অতুবু পানাউ শিংনাউ অনী অসিত্ত লৌখৎ-লক্কগি রাফম থিবা তারি । মনাওদা মমীৎ পাল্লি মমিংতগি পাম্বী চোংই হায়বা অমা খঙলে । পুন্সীগি মচাক য়াওবা মীৎফম অনীথক লৈ মত্থুদী পানবা ঙম্বা মীৎফম অমনা লৌশিং ফংনবা মীৎফম অসীনে । মমীৎ থুদেক্রবদী মকুম মথাদা মরন্নাই হেক্তা চোংজরক্কনিএ । অহৌনা লম লমগি চিঙ্গাক পোংখোক মুংহন্দবসীবু পানাউ থাবা কৌএ । অসি গুম্বা ইপা ইপুনা থনম্বা লৌশিং কাঙলোন হৌজিক্কি মহৈ মশিংগি ঈচেল কংহন্দনবা হোৎনবা অসিবু শিংনাউ থাবা কৌএ ।

(২৫)

অপঙবগা ফত্তবগা য়ুমলোন্নে
অশিংবগা অফবগা কয়লোন্নে ।

অপঙবনা তৌবা থবক ফবা হৌনদে, অতুনা অপঙবা ফত্তবা মখোয় অনী য়ুমলোম্নরনী । অতুগা অশিংবগা অফবগদী রাখল মান্নবনীনা য়ুমলোন কয়লোম্নবা হায়বা য়ারে । ইশাত লৈনবা য়ুমনে পোৎচয় কয়া পৈনবা কয়নে । ফুঙ্গা রারী মচা অমত্তং খেংগৈ পংলবা নাপা অমা মপী মযুমদা য়াওং ইল্লম্মী মমিংস্থু অপঙ কৌই । অহিংদা মথী ফায়-নীংলবদা মপান থোকপা তল্লতুনা ফমাংদা ফায়দোকলে । মমীৎতুদা থেঙ্গু অমা ফমাংদা লৈরমতুনা মনমগদা হেক-ক য়জিল্লরে । ঙস্তা হৌরকপঙ্গ থী লৈরমত্রকপা ফরেদা ঐগি থীসীদি চৎলিদনা হায়দনা

অমুক তুমশিল্লে। মথংগি অহিংদসু অমুক ফম্মাওদা ফায়রে অমসুং থেংলবা ফাওবা হৌরে।

মীয়াম হৌগংলকপদা থেংনজুনা ভুং ভুং ভংনবা অচু তাবদা অপওবা হৌগংলগা ভরাং চংলগা ভসি করিগি চংতে হায়তুনা কাংহুনা থোম্বদা পুমচাই চাইরে হায়বা রা লৈ। অশিংবা অকবগি রাদি থোইনা শাংনিঙাই লৈতে। মশাগি ওইবা নাং লাইনিঙ লীক অমওদা চংলিবতু অশিংবা অফবা মীনি। মাগি মাগি নাং তোঙাল্লবনিনা পিরিবা পোংশক অচুসু তোংশিন য়ানশিন্নত্রে খুং লামশিন্নত্রে।

(২৬)

অহল মথৌনা চফু মেনলি
নাচল মথৌনা পাহোমই।

অহলনদী শোয়দনবতা থন্দুনা ঙাওবা নগানা থৌশা রাশাদবা রাফমচু অহল মথৌ হায়নৈ। অহিংদা মথৌ ফায়দোক্লগা নাচল চংগ্রবসু অরংবা মথৌতুনা মানা ফায়রম্বা মথৌনি তাক্লি। মশাগি মনাং ময়েক লাইনাও অমসুং মহৈমশিং পূক্কে চোম্না লৈজরম্বা মীতৈনে। মশানা ঙাক্লুনা হিংলকপা কাওবুনে। পামহৈবা নিংথৌনা পুয়া ফাওবা মৈ থাদোকক্লুনা মীতৈগী হৌরকফম কাওথুল মুপংলম্বদগি মাবু ভসি ফাওবা পাহোম্বা তোকত্রি। অদুগা মীতৈ অহলশিংগি রাফমদি মাংহন্দনা চীরবা মতমগিদমক মেন্নবা থমই। মুমীংনা চীঙ মরুমদা লৈথখিবগা ইচাশা ইশিং মায়শিং শোকচিল্লু হায়রম্মা। হায়জবতনি থোওইনা তাদে চাক ইশিং থোংনবা সোকলে হংগেসু হায়েদে। অইন্না হায়-রিবদী চাক থোংনবদগি হেন্না লুবা তম্বা ভমদবা অহিংদা থোক্লদবা অনা অয়েক মৈপোক লাংহৌ কন্নবা ইশিং মরাং কায়না শোকত হায়বতনে। হৌজিক মীশিং হেঙ্গংলে শেমগৎ শাগৎপপি থৌরাং কয়থেল খুঙ্গং

চিখদনা পায়খৎলকপসীদা ইশিংগি মথৌ ভাক্তা ভায়রে। মসী খঙলকুনা ইশিং মরাং কায়না অরাংবদা পৈত্থনা থম্মিবসীনা ভসিগি মীয়োলসে অহল মথী মশক খঙলে তাকপনি।

(২৭)

অখঙবগি ওজা রাংতে
অহৈবগি ওজা লৈতে।

খঙনবা তাকপদা রাক্ষীগি শরুক্তা নখুনা রারীতুদ মচিন্দা পুহল্লগা খঙহনবা য়াই। অদুগা হৈনবা তখিবদা তাকফম খঙদবা মতাং লৈ। অভাং অমনা চিংলিবা লৈইত্থু মাগি ওজানা চিংবদা য়োদে। পীথোক-রকপা য়াওদনা হৈবা য়াদে হায়বসী খুৎই ফজবা অভাং মখুৎ থীবা ওজা অনীনা য়ারবা রাফমনি।

(২৮)

ময়েক উরে লৈপাক কোয়রে
মশোন খঙলে লৈপাক কল্লে।

লাইরিক ময়েক খঙলবদী ইরৈপাক কাচিন কোয়া চৎথুনা য়েংবদা লম্বী থোং লাইফম তীনফম ভুরেল পাংচাউ কয়াগি মমিং খংবা ঙমগনি। অদুগা মশোন হায়বদী ময়েক্তা পুরকপা কান্নবা মহয় খঙলগদী লৈপাকী চংনপথাপ লৈঙাকলোন নৈনরগা লৈপাক কনবা ঙম্মগনি।

(২৯)

অতা অতু খুন লাইফম তানফম শেম
মরল্লাই হিংজনি চারোল শুরোল।

ওরাং থনম্মা ওসি ঐখোয় হিংলি অদুনা ওসি থম্মীম্বনা হয়েং মখোয় হিংগনিয়ে। অপোৗবা মীয়োলদা ইংখোল অমা লৌ মচেৎ অমা থম্বিয়ম্বদী মখোয়না খোকপা গু নোমহুনা হিংজগনি হায়নৈ। অদুনা ঐখোয়না চারোন গুরোলগিদমক থনমগদবা হী য়াইদী ইরৈপাক লাই-কম মমিং চুমথোক্লমগনি লোইননা চেদা মুক তারমম্বা অহনগি চীনবুং বাকম খোয়গা ইশিন্দুনা থনমগনি।

(৩০)

অচৌবনা মচাবু কোনবা ওমদে

মচানদী অচৌবা লায়না কল্লি।

কুমগি নোংনা চীংদোম্দগি মুংজাও কয়া লোক্লা থাদরক্লুনা মচি মচিদা তাহুনা লৈ। ইচেলনা মখোয়বু পুথবা ওমদ্রে অদুবু মরক অহোবদা ইচেলনা মুংকুপমথৈ পুথখিবহুদী মুংজাওনা থক ফাবা ওমদে। অদুগা চীংথকী কা হেন্না চাউবা মুংজাওহুমু অহেনবা নোংগি চাংচৎ শাফুদা নোংমদী ওন্থরকনি। মথং মথং থেঙ্গাইনহুনা মুংজাও থরদী মকোক মমৈ থওদনা থাপ্পা ওন্থরকপা য়াই। লেপ্তুনা চেন্থরকপা মুংকুপ্পা হাজীন্দুনা থোল্লবা মুং অহুদা পাল্লবদী লেওদ্রে, মুংকুপনা মুংজাও কল্লে।

(৩১)

হিংলিবা মীশক্লা বাহংলে

অশিবা মমিদা পাউহংলে।

হিংলিবা মীগক অয়াবা ঐগি হায়বনা মাও থানা থনকনে।

অতুনা মতোন্দা বা হংলুবদা অচুম্বা বাফম খাক্রনা থমহৌরগা অশেন্বা বাঙাংনা পাউখুমলকনি। মথংদা মীয়ামগি ফনবত খনবদ মপুন্সি থমপ্রবা মীশকতুদী মাগি অশেংবা বাকম অথাকপা লৈতনা হিংলিঙৈদা লাওথোকলম্মী মমৈদা ইশিন্দুনা থনমলগা চৎখিবনি। অইবা চেরোলসিমক মশাগি মমিনি মীনমজবা পাউখুম্নি। অহিংবগি বাঙাঙ তাশিন্বা অশিবগি বাকম লোশিনবা অসী অচঙ অশি বাফংনবনি।

লাইগী শীঙদা চম্লবা নদিয়াগি নিমাই পণ্ডিত পাঙনগি মথুংতগি মরৈপাক কন্নবা হোৎনবদা তাইংংগি মুংঙাইবা শরুক পুমথা থাগ্রবনা। কাইনখঙদা মহাপ্রভু মিংথোল ফংগ্রবা মীয়াম্না হৌজিক গৌরাঙ্গ হায়না খঙনরিবা মীশক অসীনবু অতোপ্পা কাংলুপ অমগি লাইনীঙ ছুপ্পৎনবা মীগি চালুক্তা খুজাই থাংজিন্নবা বাকম কাঙথোকলমগনি হায়বসী শংবাইদা উতোং থাজনীংঙাই লৈতে।

(৩২)

মরেক চারে হাউরে/মহাউ চুপলে পেপ্লে

লেক্রগা মহাউ থরা ফাওবা মপাগি শরুকপু মরেক কৌই। অতুগা মহীগি শরুকপুনা মহাউ কৌবনে। মমুন ফাব্রব হৈগি মতোংদু মরেকনি চাবদা হাউবনি। য়াম্না উরে তারে হায়বা বাফমসি মখে মরেক্কি কাংলুপনে। অমুক মব্রদা নপলিবা মহাউদু চুপ্পা পেনবা লৈতবনি। ইশাদা তেনবাল্লবা ঈদা চুপশিল্লবা অতুমখৈদী মহাউগি শীঙদা চম্লবনে।

(৩৩)

মৈনা থাউদু চাকঙমদে,
থাউনা মৈদু চাকপনে।

মৈমা থাউবু চাকপা ঙমদে হায়বসীমক খরা তঁয়োন্নবা থোকপ্রা ? চনীঙ তানা নৈনবগা খঙগনি হায়বদী মৈ চাকলেদী হায়নৈ থাউ চাক্লে খক হায়নদে। অউবা থোথোক অদু য়েংলগা হায়খিবা রানে খুদমদী থৌরী ঙংতুনা শল অমা নাম্থোকলম্বা উবদা শল তংলেহাই লাউরিবনী। তশেংনা তংলিবদী থৌরিনি শল নত্তে। অদুগুম্না থাউ কংলহুনা মৈরি উত্রবদা মৈ মুংলে হায়নৈ। তশেংবা মুংলিবদি থাউ অদুনে। মৈ চাকত্রে থাউ হৈজিল্লে থাউ চিথোকলে থাউমৈ মুংলে। অদুনদী খউনা মৈদগি মপাঙ্গল হেল্লি হায়বা খঙলে। অদুবু খরা রাংবা চিংনবগি থাক্তা লৈখিবনা অতেনবা খুদম খরসানা লাম্বা রাবনি। মমা শিবগি মৈচাক্তা মৈরি থোক্তা চাকলবদা মচাগি থোম্থাং শুবা তেংথারোলনা মুংগি থাউগি মশক ওইবা ঈ অদু ঙম্মথৈ পি ওইনা শুমদোরগত মৈচাক মুংকনিয়ে।

(৩৪)

পক্নবা চেংপদী পয়াতনে, লানবা লারৌদী লাতনে।

রা উনৌতনা পয়া শিবনি অসিগুম্বা অথোংপা পয়ানা লাকশিনবদা নাম্থোকপা লৈত্রে। নহা ওইবগি মুংশি মুংওনগি অমেওবা রাহয়না খঙতৌদনা পুল্লিবনি। পয়া চিংবগি মথোন হেক থোকপদা থংনৈ। হেক লৈশিনববু ক্রক খুমুমথী হায়নৈ। খিত্তং হনখিবদা পুল্লবদা চেংত্রে, রাহয় অমত্তং কায়ন চনখিবদা থাইন মৈশা লাংবদী শোয়ত্রে। হৌজিক পয়া অমগা অমগা পকশিন তাইশিন্নহুনা পোংকুপ হাপ্পা য়ারে। অদুবু মপাঙ্গলদী রাংপনিনা কুইনা মওং কায়দনা লাতুনা থম্বা য়ানবা লীনা মপাল থোপ্পনে।

(৩৫)

রাখল কায়ন লানফদে, পরিং শক্পা লাকলমসে।

মীওইবগি পুন্সী লীক অসি য়াম্না খুঙ্গবা শমনা মকৈ অমযাওবা নাক য়েক্তা হাইদোকপা য়াদবা তিংলবা লীকনে। য়ুম্বাল লোনদী লৈঙোইদগি হেন্না কুপশ হায়বা রা লৈ, অদুগা লীক অসি চৎপা তম্নবা কা অহুমথক লৈ। নোং ফুং ভাল্লকপগি কা মুমিং চপ য়ুংবগি কা অদুগা মুমিং থম তাবগি কা অসীনে। মথং মনাও কায়দনা চঙগদবা কানবা য়াদবা কানে খংও। অপোবা লোন্দা হায়রগা অঙাং ওইরিঙৈ মতম শরেপ ফারকপা মতাং অমসুং অহল ওইরকপা তাংকক অহুমসিবু হায়বনে। নহা ওইরিঙৈদা মহৈ মশিং তমহৌত্রবা পাঙ্গল কল্লিঙৈদা লন থুম তালহৌত্রবা মহাক অদু অহল ওইরগা লৈবা রাগনি তাকপা রাগনে।

(৩৬)

চেকফৈ অনী কেক কেক/লমথা পরিং শোৎ।

মীতৈ ইপা ইপুনা পুথোকলম্বা শাম্নবা মখল কয়াগি মসুংদা শাঙথানবা য়াবদী, শচিফু থাকোক্তা কাং শান্নরিবা অসীনি। অহলশিংনা কুপ্না য়েংশিল্লগা কাংশওবু তাইবঙ পুন্সীগি শক্তম ওইনা লৌবনে। ঐনা থবক অমা পাওনবা মহয় চানবা হোংনবদা কাপ্লিবা থৌশিলম্বনা থৌওংদা হেক পানবদা থবক পাঙলে ইথুং চল্লে হায়। মসীসু শমজিল্লগা পাল্লে চল্লে হায়দদগি পাঙ্গল কৌবনে। চেকফৈ পানবগি মখোলগী কেক ল'উরবদী মৰ্ব চারে হায়নৈ। মদুদী মপুং মরা ফানা থবক পাঙলে হায়বতনি। অমনা চেকফৈ কাপ্পা হায়নদে চেকফৈ তানবা হায়, মসিদগি খন্থকবদা হিংনবা মচাক লন থুম তানশিনবগি রাফম অমসু ফংলে। লন থুম তানবগি মতাংসী অনিরকনী হায়বদী মতোমতা পাঙ্গল তেকপমথৈ শুরগা মরৌ মশিং লৈশিল্লে, মথংদা মচানা মকোক মপানা মতেন য়ারগা মপা মচা চঙহ্নবা মযুম মকয় শারে। অনীরক কেক কেক লাউমা

পাস্নে হায়বদা মতাং অনীরক অশি অনা য়েথাই থিজ্বাই য়াওদনা হিংনবা পোৎচঙ লাওশিন্দুনা থমলে। হৌজিক লমথা ইনবগি মতাং লাক্লে হায়বদা অহল ওইরে তাইবং লমদম থাদোক্লুনা অচীকপা মপুংগি নাক তম্না পরিং লাক্লা শোং শোং চঙশিনবদা খোঙলৌ পল্লৌররোই হায়বা য়ানে। মসী মিতৈগি য়ুম্বান লোয়ে

(৩৭)

লাইরমলেনগি মীরমলোন্ন
ইপাগিদমক ইমানি।

লাইরমলেন লৈবগি মীরমলেন অমসুং ইপা লৈবগি ইমা লৈতবা য়াদবনি। তাইবং মপুনা শেম্লিবা অং চত্নগি ফজবা তাইবওসিবু ভাক শেম্নবা মীওইবা ঐখোয় লৈতবা য়াদে। মী হেক লৈতবদা তাইবঙ লৈরে। ইপাগি মচুম্বু মাঙদনবা থুজিল্লিবা ইমা লৈত্রবদবু ঐখোয় লৈখিগদ্রা ?

(৩৮)

লুকোকপা য়েংবদা মীৎ নাই
কোইজোম্বা মবাদা নাকোং মেল্লি।

ঐখোয়গি লৈপাক অসী চীঙনা ইকোয় কোয়রগা, ময়ায়দা কোয়দানবা তমংক্লা মী তাবা লিরবা লৈপাকনি। মীওইবগি হিংবদা চঙগদবা পোৎচঙ মখেলদা চীঙদা লৈবনিনা হিংবদা কোমনা খোকই য়েক্লবদগিসু লাপথোকই। হেম্না কাম্নরিবদী শাগা তিম্নতোৎননা য়েলহৌতৈদগি লৈরকপনা, মীতৈনা শরৈ শরাং হৈবা লানমী অমা হেক ওইদুনা লাকই। মসিবু কোকোক হেক কোকখোকপদা মী লৈবা ভমকন

থোক্কে। অহুনা মরু কোকপসী ঐখোয়দা য়াম্না পামদনা থোকই। মথুংদা মকো:ই মরাং চোংবা ময়েক মসোন য়াওদবা য়াকম তানীঙদবসীসু ঐখোয়না খিৎ হেল্লি। কোইজোম্বনা ইশিংদা মৈ হৌহনগনি হেক হায়রিল্লি ঙম্সু ঙমখিদে কেক্রুনা হৌহনখি। অঙাংনা থংনবদা লুকোকপী পাজোম্বী হায়না চৈনৈ অহুগা অরাকম তারবা মীশকপু মরু কোকথোকই। নিংথৌনা মরাল লৈরবা মীশকপু মরু কোক্লগা শুমু য়াইঙং তৈহনা কয়খেল মাপলদা থুঙ্গাইনবগি য়াকম ফাওবা থক্তা লৈপ্রে।

(৩৯)

অহাঙবত্তু লাইগি শান্নবুঙনি
অফুনবত্তু তানগি তুংনফমনি।

লাইগি শান্নবুঙদা তীন্না য়ুমদাংবনে তাকপা য়াফমনে। মশক উদববু লাই অহুগা অউবা তাইবং মীবু তীন কৌএ। তাইবংমীনা হিংজবা ঙম্বা মফম থিরকপদা হিংবদা চঙবা পোংচঙনা ফুন্না লৈরবা মফমতদা ময়ুম মকয় শাহনা লৈতা খুন্দবনি। অহাঙনা মচেৎ অমা খাইহনা লম্বী পীবদগি নীঙ তম্না চংলিবসী লাইগি মত্তেং লৌবনি। মীগি তুংনফম থুল লৈবগুম লাইগিসু লাইপুঙ (লয়পুঙ) লৈতবা নত্তে। লয়নুংগি মওং খঙবা মীতৈ অহলশিংনা অসাংগুম্বা মফমদা য়ুম থক তাদে। লম হেক হেল্লুবদা ময়ুম মকয় ফুরা দলান নোং নুংশিংনা লৌশিনখিবদী শোয়ত্তে। অশম্বদী লাইগি অয়াবা য়াওদনা লমহাঙনি হায়হনা থুল তাগমু তাকপনে।

(৪০)

মীৎচিনা য়েংউ পায়গন,
অকোনবগি চীল্লম ঙানে।

উতোংগি মশক ওইরব চাকথাউ অনী মেম্নবা চাংগি লুকপু উতোং মেরুক কৌবনে। মসী পাঙ্গল লৈরিবা মীগি চানবা চা নে। অতুনা পাঙ্গল ময়েং থুনা তাদনবা থনখ্রা ৱানে। লাম্নিঙৈদা হাউবা ঙাক্কি অতুনা চালুক মচিদগি ঙারৌতু হান্না চাখোকনু। মমৈ তারকপগি চাক খজিকংতু চঙখিবা তারে হায়না ঙানা কপই হায়বা রা লৈ। অতুনা চাক ঙমশিন্নবা চীন্নম ঙানে কাউগনু।

(৪১)

কাঙমাঙনা কাঙলক্কনি
লীবানা লীরক্কনি।

ইরৈপাক্কী চীঙ মরু কোক্রে পাৎচাউ ময়াঙ কংলে লাইফম তীনফম্ন মমি শামলে ষ্রেংবদা মৈতৈ লৈপাক মাল্লক্রে। য়োংনা লৌপু তাল্লরে য়ুমদাংবনা কয়নাররে। অরোইবা মীহুল কাঙলক্কুনা নহানা মাংজিন থানা লানচঙখ্রে। শাগি শারম উত্রিবা লানগি লাল্লোংসু খঙত্রিবা লানজাও থংবা নহাগি খোঙ্গুল লীরকদবদী অরিবা ৱাফমতনে কাউগনু।

(৪২)

হো ইপু মেক্রোকপা নংনা হঙ্গেল
চোইনা য়ানবনা মশুং তারেদো।

ৱাপল অমদগি য়ামবা হঙ্গেলনা পয়া শিরগা লাকশিনবগুম য়েক মচাশিংবু লাইনাঙ অমত্তনা পুল্লকপনি। অতুবু মীতৈ লৈপাক্কী ঈ পুরিবা নত্তনা ঙমই হায়দুনা ইপা ইপুগি মাঙফদবা পুয়াবু মৈ কোকোক থাদোক্কুনা অথাকপা লম্বাল পয়ানা পুনবদা তংলে চীঙদা অনী তমদা অনী খোক্কা মশুং তারেদো।

(৪৩)

নোংদা লাইরেন চহী চামকুনমাথোই, নিংথৌ তোনাবা চহি মরিক পানখি।

ৱাফমসীদা নৈনগদবা ৱাহয় নোংদা অমসুং লাইরেন হায়বা অনীসিনা মরুনি। নোংদা হায়বদী নোংদম্বগি থুত্তগি থারকপা অদুগা লাইরেন হায়বনা লাইশুম্বা মতিক ময়াই চেনবা হায়বনি। ইমিৎমক্লা উহৌবা নক্রবস্থ মতমদু মহৌশাগি থুংশেম কায়ব্রিবা মশাগি মনাং ৱাংমা লাব্রিবা মশাবু মশানা মশক খংলিবা মতমনি। অকনবনা অশোনববু তুহংপিদবা লাইনা পীবা চাকথুংদা পেঞ্জবা মীয়ামগী নিংথৌ ওইবনা মুংশাংমা পানখিবনি। শম্ম। হায়রবদা অহলনা অঙাংবু মুংশিবা অঙাংনা অহলবু কিবা মতমনি। লাইরববু ইনাক খুনবনা অকনবনা অশোনববু হন্থনা য়েংবদগি থমোইই মচেৎ তারবা মতম অমা ওইবনা নিংথৌ তোনাবা চহী মরিথক্তা পানবনি।

(৪৪)

চহীগা লৌশিংগা থুংশম্লনা চৎলি।

চহী য়াম্লগা শিংবা হেল্লি হায়বতনি। মতম শাংনা হিংলকপনিনা অৱাবা থৌথোক মশীঙ থিডমদনা থেংনগ্রে অমসুং নাম্থোক্রবা পাম্বৈ কয়াস্থ শিজিন্নখ্রে। চহী য়ামদবনা থৌথোক খরত অয়াম্বনা য়াম্না য়েংনানা লৌশিংস্থ অহলনা থজিক্কুং হেল্লি উৎলম্বা ৱাফম মচা অমনি।

(৪৫)

উয়ুঙ লরাইগি হন্নবা দারিদা ওন্থরে
দারিসু কয়া মরাংদে সুপত মরাংই।

শোয়বু শোয়য়ু হায়রবদী নাতে হায়বা লৈতে। ইস্থবগি লরাই লেম্ফদা য়ুংথুনা লৈরিবা অরেম্বা রাখল্লোন্দু শং মাস্থোকত্তুনা ফম্বদগি দারিদা ওনথবদা রাম্ববগি রাফমনে। অদুগা দারি অহুসু কা হেন্না রাংদে দারি অমগি মরেণ্ডগি থোইনা হেন্দেসু হায়রি। অদুনদী ইনেম নেম্বা দারিদা ওন্থবনসু রান্থবা য়াবা ঃহৌনদে। লাইশিংনা থনমলিবা পাউরৌনদি রাম্বরে হায়রিবনীনা মতমনা ইস্থবগি রাফম কিশি অমদী লৈরে হায়না রাখলনা লেপ্লে।

(৪৬)

মীৎতাঙবীনা লাইরিক পারনি
নাপঙবানা ইশৈ তারনি।

ফনা ওকপা রাফমনি। মমীৎ ত'ংলবা লাইরিক ময়েক অমত্তা উপ্রবা মানবু কয়া লাইরীক পাগদৌরিবনো। অদুগা করিমত্তা তাদ্রবা মানা কয়া ইশৈ তাগদৌরিবনো। ককওমদবা মাইচৌগি রাফমনিনা ওসিদী ইমাঙদা শংশং উরে। ইবেন হোটেল তোক্লবদী কৈদৌরে হংবদা ইবুংঙো নোংমদা চারিবা মী অসী য়ামথ্রে অদুবু শেল খোম্বদদী ইলৈ লৈরমদ্রে, উতোং অহোবদা ইশিং শোকপা তারে। শেল পীরমদে ইদুনা থনমক ইবেনদী লাইরীক ময়েক উবা নত্তেদো অদুনা তোকপনি।

ইতৈমাখোয় ওসিদী ময়োম চাউরেদা কদাইদগিনো শোরাং অমা চংলুবনি, পালাগি ময়োমদী কনা হকথ্রে তৌববুদী ইশৈ সুঙাইমনবগি তৌবনি। করি মতাং শকপনো হংবদদী হেরা মরোল অমত্তা খঙবা নত্তেদা পংফমদা ফম্বনি, খি থামনবদুদা হুঙাই হায়বা রানীদা।

(৪৭)

কোয়থিখাঙ মখুৎ চন কোয়হংনে লৈরোন চন।

কোয়থী হায়বদী মাঙথ্রবা নত্রগা অপাম্বা পোৎ অমা ফংনবা অউপ্পা উনা লোংহুনা থিববুনি। মানা অরিবা রাফম থরা খঙনীংহুনা খুম্বাঙ য়ৈন্না থিরকপদা পাথোক্লা পৈরম্বা অহল অমদগি হেক ফংবদা রাপলদগি খুৎচাবী চৈ অমা খাওহুনা পুরকপগুম খুৎপায় চেৎনা থমথ্রগানি মথংদা রাফম থরগি অচুম্বা লীকলম খঙনীংহুনা কোয়হং হুংলকপদা চপ চাবা রাফম ফংলগদা মাদী খঙদোক্লবনীনা নীঙাইদনা লৈথোক্লনীয়ে। মতম রাংলি হায়হুনা পাউহুম্ব তাইল্লরোই ফুমহুনা থমথ্রনি হায়বা রানে।

(৪৮)

পাৎ ঙামন তোক্লনি কোম ঙাক্তিন পায়রনি।

পাৎন প্রোক প্রোক শোবা মীতৈ লৈপাকনি। উমং অমদী পাৎনা পলেম পন্থৌ শক্লা ঐখোয় চীঙ তম্বু য়োকলকপনি কাউক্রম্রা হায়না থক্কি তেল্লবা রাফমসীনা তেংথারি। লামুক পাকপা পাৎ খুবাকমুক্তা ঙায়রে মতু শেমজিন শাজিন্দুনা চরা তম্না মন্দুনা চানবগি রাফমদী উরে। মথক্কি রাফম অমদা মীরৈপাক্কি ঙা তিনশিন্নবা ঙা য়োক্লবা কোম তৌবগি থবক কন্না চথরগনি হায়না মাঙজোননা লাওরমই।

(৪৯)

মচুগিদমক সনানি/পোহাঙগদমক তামনানি।

থবক থৌরম অমদা শিঙ্জিন্নবা খুৎলাই অমত্তা শাবা য়াত্রবা লনাবু করিগি মিতানরি। মৈমুংদা হুঞ্জিল্লগা হেন্না লংলকপা মচু উবদগি মাবু লৌখৎপনি, হায়রবদা সনাগি মচুদ লেঙত্রবা মচুনি ? অসীগুম্না মশাগি লাইনীং চৎনপথাপ কাম্মত্রিবন্থ মচু হেংত্রিবানি। মওং থোইনা ফজত্রবসু মখোঞ্জেল তাবদা পেন্দবদগি জাম্মাগি মখোলবু শীঙথানরি। লেপত্রবা রাকমগি থাংমা লাত্রিবা রাকমন্থ তাম্নগি থোম্থাংনি। কদাই ঐখোয়গি লাইনীঙবু মীঙোন্দা হাবা চৎলিবমা লুরাওবনি, অমুক মীগি লাইনীঙ লম্বীদা থুং থিংজিনফদে হায়বা মখোয়গি গুরুগি য়াথং মকোক শৎতোক্লুনা কারল ইশৈ শকলিবসীসু য়ক্লে তানীঙত্রে।

(৫০)

য়াইস্কুল মপাল শাররনি থুরাই মহয় রাল্লনি।

য়াইস্কুল হায়বদী য়াইশা খুল হায়বা রনে। নিংথৌগি খুনেং শাবু য়াইশা কৌএ নহৌদা শামু য়াইশা শগোল য়াইশা হায়রিবসীনি। মতীক মন্নাই লৈবা অচৌ অশাংবা খুদাবা য়ুমলৈ কয়রৈ ফজবা, লম্বী লমদাং খোঙাই ফবা খুননি হায়বদগি মিংথোলসী থোকখি। হৌজিক্তি শেমগৎ থৌরাংগি খুজিলদগি, খুল খুদীঙ লম্বী লমদাং ফরবা য়ুম কয় লুমলং লংলবসু য়ুম্থান লোন্দা মমি তাদবনা য়াইস্কুলে ঙাক্তা ঙাইরে মপাল শারে হায়বনে। মসীনা লৈপাকসীবু কন্দুনা তুংগি চারোল গুরোল হিংবগি লম্বী য়ানবদী ওইথোক্লে।

চনীঙ তানা নৈনগদবদী খুরাইগি মতাং তসীনে। মতাংসীবু-শক থঙনা গৌরৈ থোদা চথরবতদা ইরৈপাক কন্দুনা ইপা ইপুগি মরু খুনগদবনে। পাক চাউরবা লাইগি লীক হৌজিক্কী চৎনত্রবা মোংশোং ওইরবা মারক্তা খুরবা লীকলম মামদী উরিবা মতিক মঙাল লৈবা লীক তাত্তবু খুরাই কৌবনে। অতুনা ইপা ইপুনা চৎলম্বা লীক অসিদা

খোঙদারগদি পোকপগি মহয় য়ানগনিয়ে। হেনকদবা রাফম ওইবদগি অইবনা মমুং হুজিন্না খমুরুবদা অনৌবা রাফম অমা ফংলে। মরোল মরি হায়বা রাফম অসিনা পুশিল্লকপা রাফমনি। ঙাওলিবা রাফমনী কনাদনো হায়বদী মরি লমরিবা মীশক্তু কনানো য়েংলগ খঙনবা তাকউ হায়ধনে। অহুনদী নৌনা হৌরক্লিবা নহারোলদা লানথোকপা রাফম ওইন স্তোবনা থুদম চাংদমগা লোইননা ইবা তাবনি। তশেংবমক মখোয়না ফংলিবা আর্টকি মাষ্টর ডিগ্রি অসীদি মপানগি আর্টকি (লৌশিং লৌমানগি) রাফব ঙাক ওইবনা খোম্নিরি লিনশাং তাফম পোক্লফমগি রাখল্লোন্দি মখোঙ নামা কামশিনবা ঙমজি।

অহলশিংগি মীৎতা শোয়না উরবা নহারোলদী হৌজিক কাচিন কোয়া থুংনা চথরিবা থৌরাং অমা লৈরে। হৌজিক খন্নৈনবগি শঙ লেন (ক্লব) মচা কয়া শাবা উরে। শঙদী শাজিল্লরে নৈনগদবা মচাক্তি মচেৎ অমত্তা তাদে, অহুনদী মহয় ওইগদবা পোৎপু মপানগি শীঙদা চল্লে। মচুদা মানবা চাবদী য়াদবা মনানা হৈমাং শাবগি রাফম লাক্লে। নুংমদাংদা মৈ মচা অমা থাল্লগা পাউজেল চেখরা পাই মপানগি রারী খরা শাই। মরক্তা লয়কাইগি লম্বী থোং শেম্বা মীয়ামগি তেংবাধদা খোঙদাবা উৎদা অহলশিংনা নুংশিহুনা অঙম্বা মতেং পিরি। নৈপাকি অচৌবা থৌরম লাকপদা শেল থুম খরা মরাং কায়না থাদরক্লুনা নহা-রোলগি অপুনবা পাঙ্গল শিজিন্নরি। মযুং কাদবা মফৈদা হাইবা থৌ-ওংনিনা রাখলোন্দী শয়া মফৈ অমা হেঙ্গৎলক্লুনা ঙম্মুম লেল্লি। অহোইবদা হায়নীঙবদি নৈপাক অমগি মশক মওং লম্মীৎ ভুম্মীৎ অরিবা লৈঙকলো ইংগি নইটিঙ অমগী চৎনপথাপ নৈনরবদী মহয় য়াল্লোইদবগি রা লৈতে।

(৫১)

হয়রাঙথোইনিদা চানবা হয়নীদা
সাবু থোইনা হাওবা হরদী চিন্দম্বা হয়নীদা।

তাইবং শেমলে পুমলং সংলে, কাইনথওদা মী শেমলে লৈশেম লোনগি বাকমনে। মীওইবসী অহানবদা মরোল থোকলমদে, অদুদা লেপ্পুনা লৈরিবা হৈ পাম্বীনা অমগা অমগা মীচানমুনা লৈবা মশাগি মশক মহাউ খুত্তনদবগুম্বনি হায়না মীওইবা ঐখোয়সু হয়রাংগা চাংদম্নবনী। অদুগি তুংদা তাইবং মীরোল হেক থোরকপগা চিন্দম্বা হায়বদী চিন্না ভাংলগা পুক্নিংগি বাফম ফোঙবা ভমম্নিবদীগা মান্ননা হাউবা হুয় লৈত্রে হায়বা বানি।

(৫২)

শনাওগি মখোম শম্নানা থকলনি

করাঙ চীঙ শেগায়রনি।

শনাওগি মখোম্নু শম্নীনা থকতোক্রবদী করাঙ চীঙমাই শেগাইবা হাক্লা কুইহ্নরোই। 'মপী মপা শকপা কয়ানা শজোমনী মনা ফজনা চকম ফানা থকই। তুংগি চারোল হিংনবা লম্বী শুকম চংকম শেমগৎলুবগি বাফম থক থল্লুবা লৈতে। মখোয় মশেল মশাগি ফীবম শেমগৎপদা হিদান্নবগুম তৌরিবসানি। বাফমসী চুম্নবদা পংকুই কুইহ্নরোই থাঙ্গ কারাঙ চীঙ শেগাইবনি হায়রম্মী। করাঙ চীঙ শেগাইবগি বাফমদী তেনশিল্লগে মকা ফোংনীংদ্রে হী অনী তোংলগা করাঙ শেগাইবনে থংও।

(৫৩)

হাওরৈবীগি ইংখোলদা লশিং পোলাং ফৌবনি

হুইনা য়েন্না শোকনি হুৎ ফেৎ।

থবা থুপ্পা হায়নীংবা বাফম ওইবদগি অশিংবা অহলশিংনা রাহয়

থৈরগ হায়রম্বলে লৌশিং পোলাং হায়বগি মহুত্তা লশিং পোলাং হায়-রম্বলে মশীদ থোইনা য়েংননিঙাই লৈত্রে। হাওরৈবগী ইংথোল হায়-বদী য়েলহৌভৈদগি (হৌরকপদগি) লৈরকপা ঐখোয়গি ইংথোলদা লৌশিংগি পোলাং ফৌহুনা থাম্বিবনি। মহু হুইনা য়েম্না শোক্তুনবা লৈথোক লৈশিন তৌহুনা ঙাক শেল্লু ইচাশা হায়রম্মী। হৌজিক পোলাংগি মতাংদা থম্নগদবা মতাং অমা লাক্লে, হায়বদী নখোয়না পয়ানা শাবা পোলাং অদোমদা চংশ্রবদী মরীক চুম্বা য়াহম্লোক ফংলরোই। পোম+লাং=পোলাং হায়বসে চেকশিন্না থাজিন্দুনা লাং থাকপগি মওংদা লাইরৈপাক অসিদা মফম মাপল হায়বদী লাইফম মাপল ফৌহুনা থম্লিবনী। অহুগা লমগি শা লম্নশা হায়বা অমা অয়োকপা শা য়ুমশা অমা মথল অনীনি। অমুক য়ুমশাগি মম্লুংদা ইমুংশা মপান শা অনী থাইগ্রে। ইমুং চঙবা য়াবা হৌদোংনি হায়হুনা মাবু য়ুমলৈমা কৌবনে। হুই য়েন অসীদি মপান্দা থমগদবা শা ঙাক্লি, অহুনা মপানগি মীশক মপানগি লাইনীঙ চংপা কাঙবুনা শোকতনবা হুৎ ফেং তৌহুনা ঙাকপগি মওং তাকলম্বা য়ানে।

(৫৪)

নাকোঙদা চঙলকপা মখোলনি
লরাইনা কৌরুবা খোম্বাংনি।

পোং অনি থেংনবগি মখোল শা উচেক তাইবংমীগি খোম্লোক অসীনা নাকোঙদা হেক ফুবদা ফংবা মখোলহু নাকোঙনা তাবা কৌএ। অসীদি অয়াংবনি মখোল লেপপ্রগা য়াখলম্ব লেপ্লনি। য়াখল পোত্থাবা ফংদবা হায়বদী মশানা চুম্না নাকোঙদা চংজরকপা মখোলশুম তৌদবা তানীংহুনা লরাই কায়না থন্দুনা লৈরিঙৈদা হল্লকপা খোম্বাঙ অহু কাউরোইদৌবা মী তাদবা ঐতনা তাবা মখোলনি। ঐনা মীগিদা

চৎলগা কজদবা ওইদবা রাকম ঙাঙলুবা খুৎশা শাংলুবগি, ইতুংদা থীনা ঙাঙনহৌবা রাকমতু নাকোঙনা তাবা ঙমদে রাখলত্তনা তাবনি। মথা তাবদী ইমাঙদা অমা ইতুংদা অমা হায়বা রাকমসীগা অচুম থল্লরো।

(৫৫)

ঙরাং হয়েং অনীনা ঙসি হাংকে তান্নরি।

হৌখিবা বাদা ইনোৎ কারুবা তুংগি রাকমতদা থম্ম নৈবা থোক্লনা কান্নদে। লুম্বিবদী হিংলিঙৈদা তুংনক্ষম ওইবা ঙসি হায়বা মফম অসীনি। শন্না হায়রবদা ঙরাংসু ঙসি কৌরন্মী হয়েংসু ঙসি হায়রনি। ঙসিনা ওইখিবা ঙরাংনি হয়েংসু ঙসিনা ওইরক্কনি। মসী ঙসি হায় বসীগি লুরবা লাংফমনি হায়বদী হৌখিবা লাক্কদবা মতম অনীমক ঙসিগি মায়োক্তা লেপলি। অচুনা ঙসি হায়বসি হিংনবা চেনবা নত্রগা লোৎপা তাবনি। লোংকদবা মওংদী লাইশিংনা হায়রম্বা মশোং উনা উনা লয়য়ু হায়বা লীক অমুদা চেৎকদবনি। ঙরাংনা ঐথোয়গি থনম্বা মাঙহনফদে চৎলম্বা লীক লানফদে সীনি। হয়েংনা অমুক ঙরাং থরা থনম্বনা ঙসি হিংবা মত্রা? অচুনা হয়েং হিংনবা থৌরাঙ ঙসি নংগি নখৌনি অসীনি। অচুনা হেৎনিংবা মওং হোংনা মপান্দা খুৎশম্মরবসু মশক্তি লেংহনফদে। থুদম ওইনা থাইনগি রারীদা দোলাই পাইরম্মী হায়রি হৌজিক প্লেন পাইরে। মওং তোঙাল্লবসু পাইবা ঙম্মবা রাখল লোনগি মতীক ময়াইদা মাঙহল্লিরবা অসীতনি থংও।

(৫৬)

পুক্নিংনা খুল্লকপা থেৎচিল্লু
রাখলনা পুরকপা থমজিল্লু।

লংলবা পোৎ অমা তারম্বদা পোংশক য়েংদে পুক্লিংনা পাম্বদগি খুন্দুনা পুরকপদা কদাইদনো হেক য়ানশিল্লু থেংচিল্লু হায়বৈ। অদুগা অমুক পায়ত্নুনা য়েংলগা মসীবু কান্নগদ্রা অত্থুগা কদাইদা হাপ্লগা কম:দৌনা পুশিগে হায়না মতম মফম খঙনা পুরকপা পোৎ ওইরবদী থমজিল্লু হায়নৈ। অহুনদী থমজিল্লু হায়রদা মাঙদনবা হায়বা ৱাহয় অমদী তুং ইন্নরবনি।

(৫৭)

শম্বী লোইয়ু শঙ্গোম চানি/তেনবাল্লগা থাজবা ফংগনি।

মহাউ মথল শুনা য়াওবা চিঙ্গাক্লি শঙ্গোমতনি। হাউবদগি কান্নবনা শরুক হেনবনিনা অশেংবা শম্বীনা পীবা শঙ্গোম চাবা তাবনি। নত্রবদী চাথগা মহাউ কাউবা ঙমদবা হোৎদোঙনা শঙ্গোম উরগা লম-দল্লি হায়রিবনিনা অফংবা মচুত ঙৌবা শঙ্গোম চাবা তাবনি। শম্বী মচা থুনজিল্লগ মক্ক মচা থঙ্গোকউ হায়বা ৱাফমসু মৈরি। অত্থুগা থেংন-থ্রিবা ৱাফমগি ৱারী তাবদা লোশিল্লিবদী থরতনি। অয়াম্বদী থাজবা পোৎ নত্তে হায়বদী লিন্না চৌকথবা মীতনা লিনপি মহু খঙই হায়নৈ।

(৫৮)

কুমশি মপাল শারগা নোংমৈ মহয় য়ানগনি।

তম্মবগি থরা খঙবরু মপাল শাবা মঙং তানা শিজিন্নবা হন্নবরু মহয় য়ানবা কৌএ। কুমশিনা মমাঙনি নোংমৈনা মতুংনি অহুনা ঐনা

হৌজিক ভুম্বনা খরদং খঙবনি । মসী মপাল শাবা হায়বহুনি অদুগা ম্যাঙদা ইপানা তাইবং লৌবুক্তা মঙ্গ হুন্ত্রিবৈদা খঙগ্রবা মপাল শাগ্রবা ইহাকথক্তা ঐনস্থু অমুক তম্নবা অদু থুনা হৈরবনি মহয় ম্যাল্লবনি । ইপানা খঙখ্রবনিনা ঐনা লায়না হৈববু মপোক্কি পীথোম্নকপা হায়রি-বসীনে। অদুনদী তম্নগা হেক্তা হৈগনি মহয় চাগনি হায়বা ৱাসী অঙাওবা ৱানি।

(৫৯)

থোরুকোক থোরুকোক চাং চপ
মকুত্তানি শন শন।

মৈতৈ লৈপাক্কি তিনকং লাইকংকি অচুম্বা পোংচেঙ লাইশোন য়াওদবশীনা চাং চপ মাম্নখে। অদুনা কংশিবত্তু কান্নদ্রবনি মরু ইকোক কোক্লবনি। মতোং য়াওদবা মকুতনা পাক চাউনা শন্না ৱাই চাইরনি।

(৬০)

মুংলবদী মুনবা ঙমলোই/মুনখ্রবদী মুংপা ঙমলোই।

নশক থীরবস্থু নয়াইনা নংগি য়েক্লবা ওইরি। নোংথক্তা লৈদুনা পাইরিবা উমাইবীনা লয়মাইসিদা চাদৌগুম য়েংলি । মচি মচিদা মোংলরিবৈদা থুংশম্নবা অপুনবা থোঙজংদা মচা মগু নখোয়না মুংলসনু মতাগুম চঙশিল্লবদী হু হনখিগনি। হোরেল হয়েং ঙাইরিবৈদা লাংগোই চনগ্রবদী মচেং তারনি পুমচাই চাইরনি থুজোক অমা চাইথোক্লগা থুম্না অমত্তা থোম্বনি কাউগনু । মতমস্থুদদা অমুক মুংপা ঙম্বা থোক্লহৌ লৈররোই।

(৬১)

মনম ফাও মখোল থিয়ু।

মনম ফাও হায়বসীমক নাকোঙদা চংবদা চিন্না থোক্লে। ইন্দক্কি সীদি মী অমনা থবক অমা তৌবা ভারে হায়বদা থবক্কি মওংগা মীশুগি শক্তাগা য়েংবদা থবকতু ওইররোই খন্দনা অহললা মনম নমদেদা (ওইনমদেদা) হায়। নংগি নরাহয়দু মীয়াম্বা মনম ফংঅহন্নিনা রাখল োইদনা মতম খবা লৈয়ু হায়বনে। হৌজিক থবক পায়খৎনবা লম্বী থিবা হৌরে। মায়কৈ কয়াদগি মাগিসী তৌখিবা তারে ঙাংমবা তারক-কনি। কদোমদগি লাকপা মখোলনো থিয়ু অহুগা থিরকপদা থবকতুগি মরা লৈনবা কাঙলন খঙবা কাঙবুনা ঙাংনবা ওইরম্নবদী চৎখরো নীংঙন্নমল্লু সীতনে।

(৬২)

তেন তেন তেনা তেন, নংসু নত্তে তেনা তেন
মপুদা থোয়জি মখোয়জি
শরি লাথম থম।

মালেমগি লয়মায় মচি অমদা চহী মশিং থীঙমননা লমদুগি ঈশিং মুংশিং চীঙ্গাক মশাদা চুহনা লৈরক্লবা মীবু মখোয়গি লাইনাঙ মখাদা থম্নবা মায়কৈ কয়াদগি লৌশিংগি তেন্না অমমম শৎতুনা কাপশিল্লকই। নংসু নত্তে তেনা তেন হায়বনা শৎলিবা তেন্নদো পাল্লোইদৌবা তেন্নে খংও হায়বনে। মৈ ঈশিং মুংশিং অহুমগি মপুমা থোয়দৌ তানা শেম্লবা তেন্নানা কাল্লবতদা শরীগি লীক থংগনিয়ে হায়বসী মালেমগি অমত্তা ওইব থাকমনে।

(৬৩)

শেম্বা য়াবা মওংনি শম্বা য়াদবা মশক্কি।

অপেংপা লৈথোক্লা শেমনীংবা মওং শেম্বগুম মশক শেম্বা ঙম্মাইবা য়াফম নম্মে। মীংনা উবা মপানগি মওং উদবা মুংগি মশক খেন্নবা ঙাকপা য়ানি। হোংদোকপা য়াবা মশক্কি মতাংদা মরিল থাবা হায়বসী নৈনবা য়াই। য়াহম্বোক্তি মমুংগি অহোবা মরিলদুদা অতোপ্পা চঙদনবা থাজিন্দুনা থম্বা হায়বতনে। ছুইবু হৌদোং মান্নবা মওং শেম্নবসু ঙ্যাও হায়না থক খোংলোই অতনা খোংলগা খঙই হায়বনি। নোংশা শারম্বা লমহুইনা খোংলুবদগি হাংখিবনি। তেল্লবা মুং চেংনা শম্বা য়াবা হৌনদে মমমদী ঙসি ফাওবা মুংবু মহী চেলহনবা ঙমদ্রি।

(৬৪)

মতম্না কনাবু ঙাইবিদে হন্না ফাওবা য়েংলমদে কনাবু মানা থোওইদে ঙাইবতনি মানা কিবা।

মতম্বু থিংবা থাম্বা ঙম্বা হৌনদে খঙনা খঙনা করিগি য়াফমসী থেংলিবনো? মতমগি মথুংত্তা চীওজাও কয়া নিংখায়খিবনি তুরেল কয়া ফুনখিবনি, অচৌবা কয়া লৌশিনগ্রগা অপীকপা কয়া পুরকপনি। মানা কনাবু ঙাইদে হন্না য়েংদে অদুগা কনাবু থোওইদে। অদুবু "ঙাইবতনি মানা কিবা" হায়বসী মচাক চেনবা য়াহয়নি। থবক শুদনা য়াবদী ঙাইবতনি অদুবু য়াদন নুঙাইরবা হায়বা অমা লৈবনিনা মুঙাইবা পাম্লিবদী মানা ঙাইয়ু পাম্লবদু মতমনা শোয়দনা পুরক্কনি হায়বসী নহারোলদা খঙহন্নিংবনি। য়াথল নৌরিবা কয়ানা পুরকলে করয়া খঙগনি অমুকসু হংলি। য়াফমসীদা মুংশিবা পোকই হায়বদী মতমদু নাম্বোকহন্নিঙদবগি

খোঙ্খোক্লি। মশক উদবা মতমনি অদুমু তাইবংদা থৌদোক ৱাথোক থুদীংসে মাগি মঙালনি অমুক মমলুরগা ঙাল্লকনি। মঙালদু মপুনা পীবনি অদুনা ঙাইবত কদু মশীঙ থিমু মতম্মা মনা শোয়দনা পুরক্কনি।

(৬৫)

ঙা মকোক য়াগনা চাও নোংক্না মহাউ ফংবনি
ইংথোলদা কয়থেল কাহল্লু নৈদনা লেনবা য়াবনি।

ঙা হায়বসী অহাউবা ইনসাংনি হায়বসী মীতৈ ইনাংকি মহুং চনবা ৱাফমনি। অদুগা থক্কি ৱাহয় পবেংসী খরা লুনা থোকপা ৱানি। ঙগি মহাওদী মকোক্না নৈবনি অদুনা অচৌবা ঙা মকোক নৈদুনা চাবা তৱি অদুগা য়াম্না চাওদু হায়রি। নহাগি ৱাখল্লোন্না সোমদা চথরবদা ৱাফমসী লাইর তান্নবা ৱাফমদা তাগ্রে। তংশংবদী ৱাত্তপাদনব থম্মবা শৈরেংনি। নৈনবদা ফংলে মকোক লোথোকলোইদোবা ঙাকুপ চারবদী মা বা লোক্না চাগনি। অতাওবা ঙাজাউ মকোক তোয়না নৈদুনা চারবদী শেনফম অমা হোবগি ৱাফমনা লোকপা চঙলেই। লাইতক তৌবা মথাগি ৱাফমসীদু ইকান কান্নদবা নত্তে ঐগি ইংখোলদা মনা মশীঙ ৱাত্তনা থাজিপ্পবদী কয়থেল কাৱরোই ইংগোলদা চরা তম্মা হেকপা চঙলনিয়ে।

(৬৬)

লো ইংখোল লেঙদবা লন্নি
তৌহৈদে খোরবা খুংলাইনি।

মসীসু ইচম চম্বা ককপা য়াদবা ৱাফম অমনি। ঐবু য়োক্লিবা লুমা খোম্মা তৌৱিবা অমদা হিংনবা পোংলম লৌশিনবগি লোইবা

নাইরবা লৌবু কায়খিবদা রাখল মচেং অমা ফকখিবদী শোক্লরে। হৌহৈদে হায়রম্মী অশোয়বা কোঙ্গায় থেংনরিবগি তুংদা অহলনা লেপলম্বা মখা তানা হংলুবা য়াত্রবা রাফমহুগি মরম হেক তাক্লবদা লায়থোকখ্রনি, মতুদি ফৌ শুবগুম হায়রগা চেঙ চোইবগুম নাম্থোকই হায়বা রাফমসীনসু তেংবাংলি।

(৬৭)

অমা তেক থুনীংথেক অনীতেক থুংউথেক।

চীঙলক্লা ইংখোল ওইরগা তম্পাক্লা ইয়ুম ওইতুনা পাল্লকপা মৈতৈ লৈপাকসে চীঙশাংনা পল থারগা হা... পল ভাক্রুনা লৈবনা তুমীং য়ুরাল পাইশিন্দনা থুরা তুশিংনা হিংলকপনি। অতুনা মতম্না লমজিংলক-পনরা থংদে পনভাকপসু উহৌদ্রে থুরবা চীঙনুং শমলগা মীয়ান তম্পাক য়োরক্লে। হেক থুংলবগা থোংনা নৌনা অহানবদা খজিক্লা চঙশিল্লু হায়বদগি থুনীঙ থেকচিনবদা ফমথরগনি মথংদা অমুক তেক-থরকপদা থুংউ থেকচিনগনিয়ে মতাং অসিদদি হীপথরকলগনি।

(৬৮)

উচেক্কি মশক য়েংউ রায়াগি মখোল তাও।

য়েংবদা মপুঙ মরা ফানা উনবা তাবদা খোম্থোক শুনা ফংনবা থনম্বা রানে। হুমীং খুদীঙগি মশক মশা মুন্না উরিবা য়ুমদা য়োক্লিবা উচেকপু পোম্বী অহুগা রা পাইরক্লগা য়া পাইথোকখিবা উচেকপু চেকলা কৌএ। অতুনদী উচেক্কি মশক মওং শাথেক মুন্না উগে হায়রবদা য়োক্লিবা পোম্বীতু য়েংবা তাই। মথংদা তাংথক নাইদবা খোম্থোক

তাগে হায়রবদী মনীং মথা তমা পাইরিবা চেক্লাগি মথোলতবু ডাবা তাই । অহুনা লৈমিয়ারিবা মতৌপকি মশক মুম্না উরে মরাদী শেংনা খঙব্রি ! মরমসী লৈবনা মপানগি কাঙবুগি মরাহয় মখোজেল তারগা অশেংবা নপুক্তি রাফম খঙগনিয়ে ।

(৬৯)

সে সে সেপোৎতি লাইশম মচা ফুপোৎনি
নংগা ঐগা কাওনবা কনানা ঙমগে য়েংনসা ।

পংলি লিবা রাফমদী মান্দে অদুবু কাউফদবা রাফম অমনি । সে সে লাইগা শম্নবা লাইগি মচা মগুনি হায়রিবা নথোয়গি ফুরূপকি ফুপোৎনি অদুবু ঙসি নংগা ঐগা কনানা ঙমগে য়েংনসী অমুক্তং কাওনবা তারি । থাজবা য়াৎ মমি অমম্ম পুক্রিংদা তারি অত্নদী মঙগি চাংয়েংদা শক্তিদাসনা ইশিংদা রামনাম লাথ অমা শোনবদা মৈ হোক্রবদা কেক্রুনা সনামহী মিংথৈরোন শোনবদা মৈ হৌথি হায়বসী শাৎলবা রাফমনি ।

(৭০)

শগোল পাউবু কিশিরা কয়থেল পাউবু ঙকশিরা ।

মীয়ামগা নিংথৌগা লাম্বানি কাউদনবা খোম্বোক্তি । নিংথৌ অমনা মাগি মতিক ময়াইসা কয়া য়াম্না লৈবগে খঙনীংতুনা মরম ইলৈ লেতনা মীয়াম্বু কোন্নুংদা কাবক্রবা শগোল পাউ চেল্লি । চৎলিবা থাসী লাই নীঙ থানি পঙহ ই হায়নৈ কয়থেল পাউনি । কয়থেল পাউদী লাইগি পাউনি কনাদগি তাই থুমঙমদবনি । নিংথৌগি য়াথং কৎন সনা

কোম্মুংদা মীয়াম তিল্লে কয়থেল প'উরু রাগীনবে তায় তার হাইনব্রে। হৌজিক নিংথৌদা হঙ্গৎলে তাবদা ভক্লে, লাইগি হয়কং নৈকং লাওহনা থাবুম অমা কুইম্বে তৌরে। মীয়াম মপুক থল্লে নিংথৌ মমল তিংলে। মীনা বারকপা ভমদবা নিংথৌ লাইনা বারকখ্রে।

(৭১)

হুও তাউগনি লশিং লুপকনি।

মসী তেম্না ফজগ্রবা মচাক চেনবা ফুঙ্গা ইশৈনি। অহুগা থস্তরু-প্রবদী হুও তাক্তা তায়রগনি লশিং থিবা ফংলোই হায়বসীদা করিস্থু থোইনা কান্নবা লৈতে। তশেংবদী মসী মতম তাকপা বারোলনী হায়বদী মুওনা ইচাই হেক চাইরক্লবদী মুং অসী ফুং ফুং তাউখৎলকপা মতম লাক্লে অতুগা লশিং থিব ফংগ্রবা মতমদো মীতৈ ঐখোয়গি লৌশিং লৌমান মাংগ্রগনি লুপগ্রগনি হায়বা বানে।

(৭)

রাথী সনা পরেংবু অহোবা উনিংদা হাপ্লবা।

অহোবা উনিংদা হাপ্লবা হায়বা রাফমসীনা তাক্লিবদী করিস্থু পুক্লিং চওদে খুমদবা যাদবগি খুম্বা রাফমনি থওলে। পোৎ অমা পুরকপদা কদাইদনো লংযিল্লু হায়বগা থমজিল্লু হায়বগা কনানা লুম্বগে। অকোন-বগি থমজিল্লু হায়বসীনা মাঙদনবা হায়বা মথা তাবা রাফম অমা লৈরি অহুনদী অকোনবগি রাফম্না থর হক্লা থোকলে। অহলশিংনা নৈমমথৈ নৈনবগা মশাদা লংনা মমি তারবা সনাগুম্বা থিবস্থু বানা থোক্লবা রাফম অসী হায়বদা অচৌ অশাংগি মনাকোওদা হাপলোই অসীন্নে, ডা হাপ্লবা

উনিং অহোবদবু সনা পরেং হাপ্পা হৌনদবনিনা মচি অমদা কোক লংশিনবগি মঙুনি তাকপা রাক্ষম অমনে।

(৭৩)

য়েক্লবগা মরূপ শান্নৌ/অশোয়বদা ওজা ওইয়ু।

রাক্ষসী লৈডাকলোনগি মরু ওইবা পোৎচউ অমনি লৈপাক নিংথৌ উমদাই রানে হায়বদী লৈপাক মীয়ামগা নিংথৌগা তৎন থানদনবা রানে হায়বনে। য়াম্না মতীক লৈবদী য়েক্লবগা মরূপ শান্নবগি রাসীনে। কায়দ্রীমখৈ মরূপনে কায়নরবদী য়েক্লবে। অতুনা কায়নদনবা য়েক্লবগা মরূপ শান্নৌ হায়বনে। অতুগা থমোইগা থমোইগা মুংশিনবনা অমনা হায়রবা অমনা হেক্তা য়াই। অতুদগি কায়নতুনা য়েক্লবা ওনখিবান লোই-ননা য়েক্লবগা মরূপ ওইরবনিনা খুত্তা লিন্দা থঙদোক্লরবা মুং কাওনা মুংশিনদ্রবসু হোঙ্গেন্নবদা য়াদ্রবা অনী অসি শাংনা কয়নরমোই। অতুগা ইশাদা তেনবানথরবা অশোয়বতুবু কাউদ্রবদী পংশোক্ত শোইরোইদ্রা খল্লি। অতুনদী শোয়দনবা অশোয়বা ওজাবু কাউবা য়াদ্রে।

(৭৪)

মেনৈল লৈস্না সুংজুম্পাল কদাম্বদী লৈতুংশি।

লয়মাইদগি থাক রাংবা মফমু মেন কৌএ। লাইগি মশক ওক্টবা অহনগি ফম্নবা মফম্বু ফমেন কৌনরি। হন্দক্কি মেন অসীদা মী ওইবনা অহিংগি মতমদা অরা থোক্লানবা ফমুংবু হায়বনে। অসীগুম্বা মেন অসিদা লৈরাংগি পান্দমগুম তাইবং মপোক শাংখিবদগি মেনৈল অদুগা মী ওইবগি মপোক্কি অথোইবা মপোক্কি হায়না সৈন্না কৌএ। লৈ অমীগি

মপাল মন্না খিবদা ইপাগি নুংদগি চুমথরকপা মচুম্না পানদা হায়রদী তাইবঙদা কাওবনি হায়না নুংজুমপাল হাইরমলে তাইবংপানবগি মপুবু লৈনুংশি কোএ। অদুনা কায়নখিবা মপুবু উনিংবগি খৌরাংবা অমা পোকখি। কদাম্বদী হায়বনা মপু অদুনদী তাম্লবা কাদা থাপনা লৈহৌরে, করম্বা কয়া লাম্না কাদনো চঙবদি ইয়া য়াদবা থোরকপগু য়াবা পলেম ইমাগি পীবুকনুংবুনে থংও।

(৭৫)

ঈপাম মৈহৌরে লনচীঙ মৈচাক্লে
ইচুনিংথো য়াওবরা থাম্বী মৈকল্লো।

ঈগি মপান হৌরকফম থোয়রি লিনশাং তাফম্বু ইপাম কৌএ। ঈপাম লমদম মৈহৌরে ইপা ইপুনা চীঙমুক রাংনা শৈদুনা থমলম্বা ইপোং ইরলপুয়া চাকশিল্লক্লে। মতমসিদা মৈ কনবা উমগদবা অশেংবা মীশক থিরকলি। ঐগি ঈচু শেংলবদী মনীং তাবা মতোঙ লোম্বা ফাওবা হায়বদী শিত্রিকাওবা অহনবা লৈতনা মৈ কনবগি মথৌদাং চথগনি খঙবদগি ইমাগি মচা অশেংবা য়াওরবদী হায়নবা নাইদনা মশা মরোমদোমদা থোরকনবা কৌথোকপনি।

(৭৬)

মমাঙ লয়কায় থম্বাল শাংলে খোইমু ইম্লে খোইরাবা
শাবি লাও লাও চংসি লাও কল্লকপা য়াম্মি
কঞ্জাউবা য়াম্মি মাঙদা থারো লাও।

মমাঙ হায়বসী ঐগি মায়োক্তা লৈরিবা মফমচু মাঙ হায়নৈ অদুগা মুনীং থোরকপা নোংপোকপুম্নু মাঙ হায়। হন্দক্কি মমাঙ হায়বসীদি

ছোৎথ্রবা মতম থাহনবুনি। মতময়ুদগি হৌনা ওসি ফাওবা লয়কোক লৈকাই হ য়নবি মরোলদী খঙদে। ইমুং অমদা লৈরিবা মীয়ামগি মকোকপু লয়কোক অতুগা অহল ওইরতুনা ইমুংগি অবা পোৎলুম পুজবা লৈত্ত লাইর খঙ্গ্রবা লৈপাক্কি লৈকাই থুনগি রাকমদা মশা কাইখোক্লবা মগাক অত্তবু লয়কাই কৌবনে। মাংলমচংকি লয়কাই অহুম্বা পাল্লবা রাংত্ত পাদবা য়ুস্বান কয়বান ফজবা লীচং শাজং মরিংজেল মথোমা মালেমদা থবালগুম শাংলম্বতু মতম শাংনা উরুদ্রবতু মৌহৌনা অমুক শাংকাইরক্লে। মতাংসী রাইদা চীওজাও লাম্না খোইমু পাইমক্তুনা লৈহি চুপ্রবা অমস্থং লৈহি মহাউ কাউওদতুনা খোই কয়া চোইনা পাইথ্রকাও খরদী খোইরা য়ান্দুনা লৈহৌগদৌরি। শাবি হায়বদী চাউরে শবী ফারে নংবু কল্লকপা কপ্পাওবা কাওবুনা কোয়শিল্লকলে। ইমাওদা চংলু নতুংদা ঐ ইনগে হায়রবা লিংলবা রাকম অমা অরোইরদা য়াওরি। ইতুংদা লেপকদৌরিবসাবু কনানো হায়বা থওদনা লৈখোকপসী চাউরবা মরালনি। অকনবা কদাইবু কৌবগে হায়বদা শিবা ফিজবা চেল্লরোইদবা মীশকপু হায়বনি। ঐগিদমক মথরাই থাবা ওম্রবনি খঙতুনা শোল্লবা ইমাগি নাক্তা কপতুনা চেনশিনবদী হৌনশানি। মচাগি হাকন্দা শিবা ওবা মমা, মমাগি খোল্লাং লম্মন থরাইনা শিংবা ওবা মচানি থংও।

(১১)

ফীজেং ফিগাই ওমদাইনবীগা তাংজময়েক নাইবীগা চাল্লোক্লো

মমা মপান্না চাক থাক্লিবা মফি থোল্লিবা অতাবু ফীজেং ফীগাই ওমদাইনবী কৌএ। মখোয়দী ইমুংগি অরাং অপা করিস্থু খওদ্রবা তুংগি হিংনবা লশীস্থ হম্না য়েংদ্রব হইনাও মচাগুম কোইচেল চেল্লিবা কাওবুনি। চংলুববনা লশী তাকনি হায়রিবনিনা ঐখোয়না লাক্লিবা পুন্সী লমদিংদা থেংনরকপা কয়া মতোংদা তাকপা যসীবু তাংজ ময়েক নাইবী

কৌএ। তাংবা হায়রবনা মখোয়গি মতেং লৌগদবনি মখোয়গতনা তাংজ-গদবনি অসিনি। ময়েক নাইবী হায়রবনা কনাদগি করি মতেং লৌগদগে হংবদা তাকদবা মচি ওইবা বাকয় থরা লৈবতুবুনি। মশাগি এা খঙরবা মীনা তাংলকপা বাকপু ময়েক য়াওদবা হায়নৈ। কনাগা চিল্লোক্লরগা মমুৎ তানা খঙগদগে হায়রবসী নৈনফম থোকই! মুমীৎ থা উবা হানবা অহলশিংনী ইরৈপাকি অচুম্বা মওং কায়খিবগি মরম মতম উংহৌথওহৌবনি মতুনা মখোয়গি নাক্রা চংলগা মাংশোক ফমেন ফমদুনা রাতানবগি তাংকক নাম্বোকখিদৌরে।

(৭৮)

তিংথং অমনা য়ুরবদা তিংথং অমনা হনগনি।

লায়না কত্তবা বাকমনি। তুম্লবা তিংথং অমনা হেক য়ুবদা জিং লাওই। অহুবু তিংথংতু লৌথোক্লিমথৈ ফরোইদবনিনা মচিন হেম্না তুম্বা পোংশক অমনা অমুক থিনবদা নৌহৌনা চৈনাখোল ফংবা তারি। মতৌ অসুম্না থৌরবা মপান লাইনৌডনা থমোইদা য়ুখিবসী লৌথোক্লবা হোৎনবদা থিবদা য়ানা থোক্লবা কুপ্লবা মীতৈ ঐগি রাথল্লোম্না হন্দনবী শৎওমলোই।

(৭৯)

পাম চাহুনা শিখিবা মাইরেল চাদুসা হুক্কউ।

হত্রুবীগি তেংথোরোলসীগু ফত্তদে হায়বা ওমদে। অহুগিম্বু মথক্তা ফনগু লিরবা রাকম ওইনা তৌই। শিত্রিফাওবা চাবা তোকপদী য়াদ-বনীনা অহলশিংনা পান থাবসি থক লেপ্তে। অমরোমদা পানসীদি

চাক ইনসাং পুনবনি, মচুংগি পান্দুম চাক মপানগি মক্সা ইনশাং হায়রম্মী। পান থাম্বিৌভেদা য়োংয়াম লাক্লুনা ফুংলগা থাউ হয়েং হেক্কো হৌগনি হায়বত্থু লৌরুবদগি অহিং অফুংপা পান চাথেক্লগা য়োংনা লম্বান য়ুংশিল্লমলে। নোংঙাল্লগা মকাতু হেক্লুনা চারুবদগি লেঙহুনা হমুবা ত্থু শিখি। য়োংয়াম হাংকে হায়না হম্বুবা শিশিন্নরে হম্বুবীনা থকি মরোলসি তেংথাখি। নৈনসী কান্নবা মাথল লৌশিং ফংগনি। করম্বা পানদনা চারুবতু লম্বান (লমগি পান) অতুনদী মপানগি লাইনীঙ লৌরুদনা মীতৈ ঐখোয়স্থু মাথং চংলে ইমিং শামলে। অহুনদী মাথল পাঙ্গল হজিমবা হম্বুবীগি তেংথায়োলদা য়াওরিবা মাইরেন চাহুনা হল্লকউ হায়বসে নৈনদবা য়াত্রে। মপাম্থোংগি ওইনস্থু চহী অনী অহুম মাইমেনসী লীহুমা থমনৈ অহুনা শিংলবা অহলনা হীদাক্কি মচেল ওইবা মাকম কয়ামুক অকোকপদা লোংতুনা থমই। মাইরেনদা খুদোম্বীনা থিনবদা পুমই হায়বস্থু লৈবনা অহলনা নহাদা পংতাক তাক্কে। মখোয় কেল্লগদী তাকনি হায়রমইবনীনা মখোয় কংশিল্লকপগা ইরৈপাক কম্নিংবা নহাসা অহল মনাক ফম্বা থিল্লে। মাইলেং হায়বদগি থয়রকপা মাইরেম্মি। মমৈ তারকপা খোমদোন মৈম্মৌবিনা মপীদা কোন্দুনা থাঙবদগি কাঙদোং ফারহুনা মাইরোং য়াবা লানমীগি লেং চল্লবা মতমদা অমুক হল্লকউ হায়বনে।

(৮০)

চৎন চৎন ঙাঙনবা ফম্না ফমনা শোন্নবা।

মীওইবা ঐখোয়মসে তাইবং শিনশঙদা তম্বা লাকপনে শিমগা তম্না হনবস্থু হেনফদবনে। তম্লগা হৈত্তনা হনখিবতুগি লম্বী রা ওইনা ঙাঙনবা অমা মপুগি চাংয়েং ইনবা ঙম্নবা হৈরবগি রা চনীঙ তানা শোন্নবা অনীগি রাকনে। শোন্নবগি রাফম হান্না হায়গে কনাঙবনা নশাগি

হিংনবত থাক্লগা অয়েম্বম্‌ মীয়ামগি থবক্তা শীজিন্নৈ। খুদম ওইনবা পীক্লবা অঙাংগি মহৈশঙ অহলগিদমক লাইনীংশঙ কংলম্লগা শিখ্রে। মাগি বাক্ম পাক্লা বায়ীনরি অতুগা মানা কংলম্বা শঙম্ বুমজা খুদিংগি মীয়াম্মা শেমলি মতমসাদা নোনা নীংশিংবসে শোম্নবনি।

কাম্লদনা শাংগ্রবা ঙাওনবগি মতাং অমুক হায়জগে। ইনাক খুনবা অম্লগি বাম়ীনে মাগি ইমুংদা মী মম্বিত লৈ। অয়ুক চাবগা হুমিদাং হেন ক্ষিমন খুম্বনা মথৌ ওই অহনবনা উপুদা লীবনা কায়স্থ ক.য়খোক্রে। মরেপ্ত ঙাইরে মতাল য়াওগ্রে আহুম্বু কায়গ্রবদী অনীরক মংবগা মাম্ল- বনীনা মমল মথুমদী পাথোক্লা লৈরে। মখোয় মম্বিত লৈনবা মুমু মীগী ঙালুক চিংশিন্দুনা কা তরাগি মুম শাংনা শারি। লৌশিনবা হৈরবা পীখোকপা তমম্রিবা ইনাকখুনবা ওসি শিরে। মতুম্থ কয়া মকুইররোই অনী থাইল্লবদী অনীত ঙাযরে। মুমশি কনানা লৈবিনী কনানা শেম্বিনি হায়না লম্বীনা থরা ঙাওনরগা তোকখ্রে য়ুমস্থ তেকখ্রে। মীম্বা ঙাওনরগা লৌশিং লাকই হাম্নবদু অসীনি।

(৮১)

ঐ উরগা মা কাউই মা উরগা ঐ কাউই।
কনানা শারিবনো ? ঐনা - --- ফজরেহাই।
কনানা শমলিবনো ? ঐনা .... - শমই হায়বু খঙদ্রেনে।
কনানা থুগাইরিবনো ? ঐনা -- - কম্লে হাই।

ঐ হায়বসী ময়াই কাবে মাবু শেম্লকপা অমা লৈ কাউরে। ঐগি ময়াই হেক চম্বদা মা উগনি মহুদা ঐ হায়বসী কাউরনিয়ে। মরী লৈনবা বারী মচা অমা লৈরে।

পাক্লবা রাক্লকাক অমগা চাউরবা লয়তুম অমগা মরূপ শাম্নৈ। হুংশিং হেক লাকপদা লয়তুমনা ননবদা লুক্রাক লেঙদ্রে নোং হেক

তারদা নুক্রাকনা কুপ্পদা লয়তুম চোংত্রে। মখোয় অনীসি ঐ লৈরিবদবু হায়বা ময়াই কাগ্রে। নোংমদি নোং মুংশিং লাক্লে পাইগ্রে তুমগ্রে ঐ কাউরে।

(৮২)

চাকচা অত্তুম য়াহোপ অত্তুম মপাক্ক খংউ পুক্সীবনে লাইনাও লীক কায়দবনে।

মীওইবনা মশা শীনজেন লাইচেন্দনা পুক্সী মুংশাংনা মীগি খদাও মখা থাদনা হিংজনীংই। থক্তি রাকমসী ইশাদা হায়না পক্তনবা প্রশ্ন কনবা অমদী মতম শাংনা থুয় তুশিংনা হিংনবা রাকমগি অমত্তা ভায়রনা হীদাকনি। পুন্সী লমদিং চংপদা রাকমসীগা হেক কায়নবদা লম্মুকনদনীঙাই লৈতে। অতুনা রাকমসী মুংদা হক্তুনা থম্বা য়াবনি খংও তাইবতুদা হেক ফাওবগা মপুগি চয়োম ইমাগি খোন্নাংনা হিংলে। থাবুম খরগি তুংদা শমু পাঙ্গল হাপ্পবা পলেমনা অউনচাক খোংহুনা চউখিরে। ইমাগা চাকওইনবনা শৈশক ওইনা কাংদোং ফাবা ফাওবা লেল্লকলে। মথংদা য়ুমলেপ চার তম্নবদা ঐগি তালোইনা ইমা শক্তা অমুক খোং থাক্লুনা ঐবু পীজরে। মমানা মচাবু মুংশিবা মুপীনা মপু-রোইষবু ইকাই মুংশি য়ান্নবা তাংকক অনী হোৎগ্রে। অহল ওইশিল্লকলে ঐগি ঈফমদা মৌখংলকপা ইমৌমা খোং থাক্লগা য়োকপসী ভঙাই ফদবনি। মত্তাংসি লেম্নবা মকোক অহুম পানবনা তাকলম্বা "চাবদা চীলহাও থিফদে হাওতে কৌবদা হায়ফদে" হায়বসী মমল নাইদ্রবা লাইরানি।

অমুম হেন্না লুশিল্লকপা রাকম অমম্তু লাক্লে মত্তুদী চামিন্নববুদী হীপমিন্নবনা লুই হায়বা রা লৈ। হীপমিন্নবগি রাহম্মোক্তি লাপ্পদবা হায়বত্তনি। অহানবদা ইমাগা হীপমিন্নতুনা চাউরকপনি মথংদা য়ুমলৈমা

তালোইগা য়াওল্লে। মতাং অনীসে অল্লাইবা তাংককনে হায়বদী মশক মশা উবা খংবনীনা কায়দনবা চংপা ওমই। কাইনথ'গি মশক উদবা মপুগা য়াহিপম্লিবগি ৱাফমসি অরেপ্পা ৱাখলদ ৱাহং পাউ হংলগছ থঙগনিয়ে।

(৮৩)

ফো শংবাই অচোনবা ঈশিং পুল অথলবা
ঙারী পরেং অচুম্বা ৱারক তয়াল অঙ ঙবা।

ৱারেংশিগি শমক্রুদী "ৱারক তয়াল অঙাঙবা" হায়বসিনে। মসীদা চেন্নরিবা মচাক্তি অৱাং তাপা লৈতবা মৈতৈ লৈপাক্কি অতুগা কাইনথংদা ঙাংনরকপদা মালেমগি মীয়াম্না তাদবা য়ারোই ত.সীতনি।

ফৌ শংবাই অচোনবা:— য়েংবদস্থ ফৌজ ৱাংতে হায়নস্থ উংলি। ঈশিং পুল অথনবা:— হেক উবদা পুক্লিং ইংই ঈশিং মরাং কায় থংহল্লি।

ঙারী পরেং অচুম্বা:— কাউদনবা তিনকৎ লাইকৎতা শিজিন্নরি অতুগা ঈশিং ৱাত্তবনা ঙাগি ঙা ঙাক্লনি ফারগা অৱা থাদা চামবা লৌতুনা থম্বা ঙম্বা য়ুম পরেং লেংনা লৈ'থ্র হায়রি।

অতুনদী করি ৱাংলি ৱাংত্রে খোংঙ্গং খুৎকংনা পানবা য়ারে হায়না লাইরেপাক মিংঙ্গৌনরে। শেংপা চাবগি ৱাফমত নত্তমা পাক চাওবা অরিবা ৱাফম পুথোক্নরকপদস্থ পাথোক্লা মচাক লৈবনিনা ঙাংনরকপা ৱায়মগি মরক্তা ঙাংশঙ ঙাঙনা তয়ালগুম উগনি হায়বনে।

(৮৪)

অতনবগি মতেংনা ৱাদনা পানবনি
হুরানবনা শেন্নবগি মপু ওইবা ঙম্বনি।

মোংম নোংমগি মী য়ামখৎলকপা মরম্না লম পাক্লা কোকথোক-লকই শেংন চানবা পোৎ লৈনবা য়ুম কয়া অমা অয়েক্পি হীরাক হিংনবা পোৎচঙ কোন্নরক্লে। অতুনদী অরাম্বদা লৈবা উন্নদবা য়াদবা ইমা ইচা অরি মতাগি নাক্লা চৎপা মরু ওইনা চঙদবা য়াদবা ওক্নবা পোৎ কৌ-শিনবা হিংনবা পোৎ ওক্নবা লওবা হেনজফদবা থবকসীদা কয়া রানা থোক্লকনো। কা হেন্না তনবা রাথলদী মপুং ফাবা মীশক অমগি মকোক্তগি চৎথোক চৎশিন পুথোক পুশিন কোম্না থোক্লবা লায়না মহৈ মরোং পুথোক্লবা গাড়া খুংজু খুৎলাই কয়া পুথোকলম্বনা ওসি ঙমদনা পানবনি।

খন্না কা হেন্না কাম্নবা পীরিবন হুরানবনি। মীগি ইমুংদা মপান্দা থমলিবা পোৎতু লৌনবা হুরানবনা কুপ্না শেন্নরি। মীহুত্নু মপোৎ মাঙদনবা চেকশিনজারে। হুরানববু কাউদনা লৈরিবমথৈ পোৎতুগি মপু ওংজার অহুগা হুরানবা হায়বা অমা লৈ কাউব হুমিৎতগি মপু ওইদ্রে।

(৮৫)

উচি চি চি, চিচৌ থারোং মগ্নান থৌশাবা শেংতাং লাকই ফ্রং।

মতাং অসিদি নানা তাবগি রাফম নত্রে মীৎনা উবগি মওংদা লৈরে। ঐখোয়গি লৈপাকসী অহিং অশা কুপ্না থায়বা অনা অয়েক শেনবা রাখল য়াংবা মীশক কয়াসু পোকখবা অমসুং ইশা হুরঙ-দোমদা হিংজরকপা লৈপাকনি। অদুনদী শেংন চানবা পোৎ ঙম-পানা থোকলম্নী মম্না লৈপাক কনবদা মথন্নাই পামুদবা মীশক মরাং কায়না লৈরম্মী অহুগা তুংগি থোথোক তাকলম্বা ইরৈপাক রন্নবা লম্বীসু য়াৎলম্বা মাইচৌ কয়া লৈরম্মী হায়বা খঙলে। অতুবু ওনিদি কুমগি ইন্নাউদা লুপ্তুনা লৈজরম্বা ইপোং ইচৈ তুম্না মাঙথিংগুম মতমগি

থোৱাংনা কাং থোং চাইরে লৈপাকসী মওং ভাবে। মতি ওইবা চীঙাক লৈরক্রে সনা কয়থেলদ ইরৈপাক্কি ডা চাক মশক উরক্রে। চহী চাম পুন্সীরম্বনা হুমফুতরাদা খোমরেন ওইরে অতুগা য়েংউ য়েংউবদা অরাং পগি অরাংপা অচিবগি অচিবা ভাক্তা ভায়রে। মৈমুংদ। চোংশিন্দুনা সিবা ভমদবগি মথাদা লোংলকপা লাঈনাও ইরাংদা খোশাহুনা লেপ্লি। অতুবু মতমগি চাকথুংনিনা কনাদমু রাকৎনীভাই লৈতে। পংবা রাগমু খওহৌদনা শেমগৎলকনি, অহল মথীনা চফু মেনবগি রা লৈ। মীৎ না শিংনা মথোয়গা ঐথোয়গা শেৎন থাইনগদবা মতাং ভাইদি। মতাংদু হেক লাক্পদা লৌশিং পাঙল ফ্রং ফুদোরকনি।

(৮৬)

কয়নৌ রায়েল থোৱবা কাত্তিনী।

খোম্বোক চুমথেক্লেবদী রাহম্বোক থক ফংলরোই। কায়নৌ রায়েন হায়রগত মচং তাবা রাফম লাকনি। মসী থুঙগি অহলশিংনা শিজিন্নরম্না ফজথবা রায়েলনি। থুলহুগি মমুংদা লৈবা শকথও মাই-থওবা ভাক্তনা থৎনরকপদা মথোয় মথোয়গী রাথল শাজং অহলনা মুন্না থওবনিনা লায়না কাত্তিনা ককপগু চপ চাবা রায়েন পুথোকপা ওমনি। থৎনরগা রাকৎলিবসী অয়াম্বদী অওম্বা শকে তানবনি হায়বমু অহলনা খওই। অনীমক্কি রাথল শাজং খওলে পাম্লিবমু খওলে অতুনদী রায়েল-বদা থুংলোয়না থোক্লে।

নহা অমা লাক্তনা ইপু মখা লৈকাইগি চাউবনা নোংজুথাদা কৌ শংথাই মঙা মেরা চওলকপদা শিংগনি হায়না পুথ্রগা চহী অহুম শুর-কাওবা পীদ্রে হায়না রাকৎলৈ। অহল অনী অহুম কৌরুরে চাউবমু মী থাহুনা পুরকলে। রাকং রাপা অনীগি রা তারগা শেনবুদা রেংহুনা অহম্না হায়খি চাউবসী কয়া হৈ শিংবা মীনো মাগি ফংগদবা লম্বী

অয়ক্কংক্ক হেক শোম্ভবদা অমা অমদগি লাকুনা পীবা ওমপ্পদবা মী নত্তে পৌগংপিনবস্থু লৈত্তে খঙনা পীক্কবগী অমানবনি । শেনবুনা ইঁপু এস্থু খঙ্কনবা মত্তে অহুবু প্পংাশনবদগি পীক্করে খুমখি। চাউবদা অমুক ওনশিন্দুনা নংস্থু থীগ মপোং পুক্করগা থবা কাওবা পীখৎতবা কমিপ্পনৌ হায়না অহলনা কপ্পপ হাঙখি। অহুমা নখোয় অনী থমা থবা কায়নৌ হায়মগা চাউবগিদা চৎতুনা ইমুংদগি কংবা পোংশক অমা লৈকাইদা খুদক্কা য়োম্হোক্কনা শেনবুদা পীখি। নৌ লাইতং অমগি মমল[illegible] ফাওবা ঙমা শক্কবন না শেনবু পেনখি চাউবস্থু হয়েংদগি থোৌবা লাক্কনৌই থনবদা অমা পোথাখি।

(৮৭)

লা কন্নবা নমানা লোকপনি।

অচং চৎতগি তুংনকম লয়মাইবু লা কৌএ। অহুগা মীওইবগি থকম লোমদা পুশিল্লগদী ঐখোয়গি থব্রায় হিংনকম ইমা লৈপাকপু হায়বনে। অদুনদী মৈতৈ লৈপাক্কী মওংবু খৈন য়াংকোক মওংনি হায়না শৈথরিবা ইমা লৈপাক অসিবু কন্নবগিদমক নমানা নহাকপু লাদগি লোকপনি হায়রি। লা কয়িনো থব্রায়গি মশক ওইবা ফৌ ফৌনবা পোংশক অহুব লা কৌএ। তাইবং ফাওমকপা মুমীৎ শিংবুম তক্ককনি চনবদা অমাইবীমা নহাকপু য়াংকোক্কা হাপ্পগা নচা লৌগেমা য়াংকোক লৌগেমা হংবদা নমানা ইচা লৈত্রবদী ইমৈবাক কনানা কনবিনি থন্দুনা ইচা লৌজগে হায়না নহাকপু লোকহৌবনি।

(৮৮)

অশাবনা অশাবা লোকই নংতনা নংবু লাকনৈ।

কা য়েন্না শাবা শরুক্কা থরতং শাবা মৈচাকতু ঢিংবি হায়রঙনি। থোং রুংথে মী থোমজিন্নু হায়রম্নরনি। হৌজিক নংনা হায়রবদী নুংত্তনা হেক, হায়রবনি হায়রগী নংনা তৌরুব থরক্তি মহমনি। অদুনা মশাক্না নশায় চৈথোক পীত্রবদা মীনা হারকপা মানা থোকই। হকচাংগি ঈ শিরি হায়বদগি ঈ।পং কৌ“নে। অদুনা ফুংগি ঈ পানগি ঈশিং (ঈ + ঈশিং) অনিসে মশানে। ঈবু ঈশিংনা ল কৈ হায়বদগি ঈশিংদা তায়রগা ইরাকরে হায়রবসী মরম্সীননে।

(৮৯)

নোম নোম শেগায়রো চ'নবা লৈত্তে তা্থেংথাঙ।

নোম্মু শুরুংগি থোইনা কান্নফম লৈতদা ইশাত নিংথাযহুনা তোক পা মতম অমা লাকনি। অদুনা কান্নরবা মচি ওইবা হাফম অম তায়রগা চুম্মী হায়না মণ্ডক হাইরগা চানীঙ ই কৈহৌদবনিনা শেল কংলগা লোইরে কান্নপোৎ নত্তে হায়হুনা থাঙনা থেংকুম থেত্তোক্লনা ৎর্থং নিয়ে

(৯০)

ঘুম য়োরক্লা থোং য়োরক্লা
ঘুমসু য়োরে থোংসু য়োরে।

পামহৈবা নিংথৌগি মতমদা মৈতৈ লৈপাক্তা শান্তিদাস লাক্লমা মীতৈশিংবু নমহনা মামান্দি লাইনীঙ চংহনথি। ঘুম্মিংত্তুদগি ঐখোয়গি লাইফম কয়া মমিং ওনখ্রে। ঐখোয়মী মিতৈনি হায়জবতনি ইশাগি ওইবা ময়েক লোন লাইনীঙ লোইনা মাঙ্খবনিনা ইয়ুম

থাদোক্তনা লানচেনবদি কীবম্মদা লৈরি। অহলনা থমম্বা ৱাকল্লসীনা ঐখোয়না ইমুংমদা হুজিনগদবা মতম্ম ত্তাকলি। অহুনা মুমম্ব য়েৌবে খোংলু য়েৌবে হায়বজীনা মীয়ানশীংনা লৈপাকসীগী ৱাংমা হেক লান-থীবগা ইমুম ণেবা য়াবে হায়বা ৱানী। হায়নবা অমম্ভ লৈ মচুগী "নীংথী তুরেল ৱাংমদা গোবীন্দ লাম্বনী" হায়বদী মীতৈ ঐখোয়গী মতম অমুক য়েৌবল্লুহনা মীয়াম্বা ঐখোয়না নীঙশদবা লাইনীঙ অচুম্বা থীন-ম্বকপগী চাউববা ঈচেল অমা লাকপদা গোবীন্দগী ৱাকমগী ঈচেল অচুগী ৱাংমদা লৈগ্রগনী অসীতনে। তুরেল লানবা তারবদী থোং অমগী লৈবে থওলে অহুনা থোংছু লানথ্রে হেক থঙবগা থোংথোঙফাও চঙশীন্দুনা নয়ুম নযুমদা হোংজীনবা য়াবনী ত্তাকলী।

(৯১)

হনুবা মৈরা পায়বনু থৈদুনা চংলি মহানা
মাহুনা হুমহুনা থিরুরি মৈরা মুংথ্রে, ফুং।

ৱাথোক লাম্বোক অরা মুঙাই পুরীবা মঙমগা শাংনা য়াওম্বক-লবা লৌশীং মৈরা পাযবা অহলবু নহানা থৈহুনা চংলীয়ে। য়েক্কবনা লাঙ্গোই চল্লকলবা থুপফম থওত্রবা ঙাংককতা মাহুনা থীক্লসাই হনুবা লৈত্রে মৈরা মুংথ্রে।

(৯২)

কল্লবদী হি গনিয়ে
হিংলবদী শেমগনিয়ে।

অহীংবা পানীহু থুনা চাউনবা মহম্ব মযোং চুম্বা ঈশীং চাইগনী হায় হাপকনী। অহুগা শীরবা পাম্বী লেপকংদা মথোঙ শোম্বগী মথৌ

চেংজ্যা অহুক্কা শারবা হুংশা ইওলবা উনবগি মৌরবা প্রাণীয়, কন-মিচোইহুবা, য়েরেলগা, খুঙ্জিনবা শেমশীংবা লোন্দনে। জোনা খজুদবা য়াদবা মর্ষিক্সি, বাম্বলোন. অমা অমুক লৈরে মতুদা মক ওইনা মীওইনা ফিরবা খুংকলগী কদ্ধিদো যুং শান্তীনা চৈপাক্কন, গৌকত্তম, কম্মমাক্তদা ফিবনবা মীওইবগি-গোক্কম কনবা হুলয়্যা য়াদে। নশীং ভুমীংনা বৈপাক কনগানি, বুদ্ধী বাগোশুনা মী শেমগনিস্নে খংও।

(৯৩)

ঈশিংদা থুরুম তোংউ

উথাদা য়েল্পাক তুপউ।

লু অমদা খোঙ থুযা কম্নবা লুহুপ অমস্থং থুরুম থাগত্নু হায়বনে। উথাদা চংশদা (কোকশেং) অমা কোক্তা উপ্লবদী থক্কুগি কানক-পা উতেক বাতেক্তগি অশোক অপন খম্বা মখেদা কল্লে। ঈশিং মচুংদা খোঙ শে গপা য়াবা করি করি লৈ উত্রবনীনা থুয়া কম্নবা থুরুম তোংবা তাবনি

(৯৪)

য়ারী লা শিঙবুন পুন য়াথাতাবা কোইজোম্বা

মকোই ফর ফোয়দংলু।

চীওনা কোয়না পনশাবা হাওনা কোয়মা পনত্তাকপা হায়বসিনা মপায়ীনা তাক শেন্দুনা লৈরকপা মৈতৈ লৈপাকনি হায়বা তাকলি। য়েংলু য়েংলুবদা অবাংপা লৈতবা খোঙ্গং খুংবংনা পানবা য়াবা লৈবাক্কি হায়বদগি নৌনা সনা লৈপাক মিংগৌখি মমিং ফজরে মথা শোয়রে মতমা মীয়াম থাজিল্লক্কনা লাইমীও লম্বী খুনাম্ব তাত্রে লৈশেমতৈগি লাইকম মমিং মুংত্রে।

খুৎহৎনা অথক হৈত্তনা অহৈ শাবনা য়ারেনচে পাম্বদগি লৈপাক মথা তাইরে হেংবদা মৈত্তে লৈপাক মাগ্রে। মীগি যুমজাউদা য়ারেকচনৌংদে ছায়না অহিংদা ময়ুম থাংপোক তাম্না চেনবদী হৌনশানিদ্দা মীগি যুমদা তাংহনা অহুম শিরগত্রা শোম্নরকলে। মদী উবদগি থক্কি য়াকমসি ইপা ইপুনা থমম্বনি। মাঙথবা য়াকমগি খোঙ্গুললিয়ু তোখায় তান্থ থুংশন্নৌ মথা তানা তাঙনবদা মরু লৈত্তবা মকোইই মরাং চোম্বা য়াকম কোই-দৎলু খওদনা অথক হৈতনা অহৈ শাবা য়ারক্ররোই।

(৯৫)

য়াখল লাং'লবাই তাঙ/লৌশিং লাং কুরু শুং।

খল্লিবা য়াখল অমরুদা উংহনা লৈম্নিবহু লাংদা থুবগি মওংনে। মাম হেক থঙবা মথৈ থল্লগা লোইশিন্দকম পরম তাবা ওন্নৱবা মতাংদা লরাই তাও হাম্নবনানা থনবা তোকলে। থমক্কি লম্নীদা খোজদাবা ঙনগ্নহনা মাম্ন ঐনা মশিংলে খন্দুনা মমুনদা কুরু শুংহনা লৈরে। অনীমকসী শোথররবনি হায়রবদী মী অন্দা য়াখল লৌশিংগি মচাক শুনা লৈবা হৌনদে। কায়নথঙদা য়ারক্রবদা অথঙবদা হংলুনদা মহাক মথৈ কৈদৌই হায়রক্লবদা মাংখিবা মতমহু নীংশিংবদ শুডাইউব য়াকম অমহু নৌহৌনা লাকপা য়াই।

(৯৬)

লৈপাক পুরিবা নিংথোনে
ফাগে ফুগে ফোয়গে মনিঙনি
লৈপাক ঙাক্লিবা মীয়ামনে
পাগে পুগে পেংগে মথৌনি।

নিংথৌবা মীয়ামগী অনীশি মপক তাকপা হায়েন। লৈপাক অহূমা লৈরিবা মীপুম্বা মাশি মখুং চম্না থম্বা শরৌ অমা শীজগা কাপান হায়বা খুনমি পীজগা কোয়হনা লৌগথি হায়বসী লৈপাক পুম্বিবা নিংথৌগি থবীতনি।

অহূমা লৈপাক তাক্লিবা মীয়ামবিনা যেকচংগা ম:য়োক মাতুনা লাম্বা পাহে লৈপাকি অবাবা পুগে অহূমা কত্তবা মীশকম্থ পেংগে হায়বসীনা মখোয়গি মথৌনি।

(৯৭)

চাউরবা আলু শাংলবা য়োংচাক পুম্বে
হাকথী থনবিনা উনিংদা নোকলি।

অচৌবগা অশাংবগা পুল্লগদী লোইরে তৌগে হায়বত তৌবা য়ারে হায়রৈ। অহূম্ ওসি অমুক শৈশক মতেকসীনাদ অচৌবদী চাউরুংনি তুংগি রাকম থওনবনে মচা য়াওদনা থক য়ারোই লোংখুম যাওদবা লাক্লোল তাহনা তোকনি হায়রি। কাম্রবা মচাক অসিদি য়াওবনিনা ফাগি মাল্লবা রাকমসী খুং লেওক্লনা হাপচরুরে তাকপিগনি। চাউরবা আলু শাংলবা য়োংচাক পুনবদা মখোয় অনিগি মতিক থাগংনবি অমহুং মখোয়নী পুল্লবদী লোইরেম্থ হায়নরি। অসুম্না মখোয়না ফুক্তাইনা নোক খেবিতৈদা হাকথী থনবী তারিন।উনিং মহুংদা ঐ য়াওদনা মখং তারোইদা তৌ তৌ হায়না নোকলি। চুমগদৌবোই খজৈ মনাই থাউবুবগা মাতানৌ হায়বা অমম্থ চাউনা লৈরি।

(৯৮)

লমজওপা খোংনাং থাবা
ফুরাবা হোদোঙ কুন্দবা

শৈশক অমীদ, হুইনা মীৎয়েংদা কম্বিস্থ খক্তদবা নঙ্তুবনা হায়বগুবা অমা য়াওরি। অচুনবা হৌজিক লমজঙদা খোংনাং থাবা ফুংগাদা হৌদোং কুনবনা কবি কাম্নৈ নৈনসী।

লমজঙদা খোংনাং থাবা:—

ঐগি ইথুংগং হৈবেকাই হাইজিনযম্বু লমজঙ কৌএ। মসিদা উক্তাউ খাম্ববদা ঐগি লম য়েংবে হায়বা অজিং অখেংবদম্বু খঙবা ওম্মী। উদগি চাউবা খোংনাংনি মনা পুংবা হৈনৌনি হায়রিবমীনা কুইনা পুক্লিবা খোংনাংবু পল্লবনে। অমরোম্নদা উক্তাউদগি লৌনিংঙাই মথেং তঙনিংঙাই মতৌ য়াম্না লৈগে। মশা মরোং পাক্না ফনবনিম্না মখোঙদা মীয়াম পেখাকন অমম্বুং মীয়ামগি অপুনবা থৌরম পঙবা য়াম্নে। অহিংদ মায়কৈ তরাদগি পাইরকপ' হেক্লাবু কোনবিবা মওংসিমক্ত তরঙ্গ নিঙাইনি। মরম অসি লৈবনা উ অহল লাইনি হায়রবনে।

ফুংগাদা হৌদোং কুনবা:—

নিংথম চাউবা হৌদোংনিনা ফুংগা মৈ মুংহনগম্বু তাকপনে। কবিগি হৌদোংবু লুনা তৌরিবা অচুগা মাবু য়ুমলৈমা হায়বা মিংথোলসী পিরিবা য়েংসী। মান ইমুং মমুংগি অচা অথক ঙা চাক অথুম জাহাউ মকম চানা চেকশিন্না থমহল্লি। মসী মাবু কিবদগিনি অচুনবা ইমুং পুরিবা মুপীবু হারক বাতেন্থী হায়বদ'গ য়ুমলৈমা কৌবনে। লোইননা মীগি য়েক্লবা উচি অমা চেক মোক লাওরবোই। উচিনা মাংহনবগীম্বু উচি কল্লকুনা মমুম মৈ থাই হায়বা হাকম কৈন্নি। মসিদগি অহলশিংনা হৌদোঙ হাংপগি লম্মদা সন্নানা শামুমকোক মুক চাউনা শাবগা কংপ। কোকপা ঙমদে হায়রম্মী।

(৯৯)

খংপা ওক্লে পাইবা ঙমদো।

মতৌক মপা চাবদা পোৎলুম অমা কোক থাক্ষৎনি পোপ খাদে মক্কাও উদবা পোৎ অমা তাপ পায় পোক পোকখায় মীরা ত্নই। লুপখৎ খওদনা হৈত্তনা হৈ হায়জিল্লিবসী অথৎপনি। মথো মশক খও-দবা খুৎলি খৎলিবা থরাইরাও নথোয়সে অঙাওবগি মমুং চল্লবনি। নথোয়না থোঙলোনহুনা থবক অমত্তা মমুং কাদনা মফেদা হাইহনা লৈরে খৎলম্ন।

লাইগি লীকত্তা চৎত্নুনা মশা লিংনা থল্লগা ননাৎ মোকখৎমবা হোৎনৌ। নম্নৈপাক কমবা থৌরৈ থৌদা পাইবমথে হৈনবা কাঙলোন থিজিন হুমজিনবদা নমায় ওনশিল্লো। পাইবা ওল্লবা পেবেৎ মচাদা হৌদোঙ লম্মোইবা করি ওমখি।

(১০০)

চৌওদা চরাং পাইরে তমদা মিকপ থোক্লে
থৌপাল ত্তুরেল ইয়াইদা ঙানুনা বাক বাক থোংলক্লে।

মৈতে তক্ফাক্লা মশক মচু খওদবা লাইনীঙ পুশিল্লকপদগি চহী চা কয়া মীতৈ ঐথোযসে অনম অহা চুহনা লেল্লক্লে। ঐথোয়না মংলানদগি নাম্মোক্লুনা মিকুপ থোকপত ঙায়বিবা শরুক অসিদা চৌওদদী নৌশোমা অমুক মশাগি মনাৎ হুন্দোক্লগা উরিনা নরুবা উঞাউদা য়েংপগুম লাইনীঙ হাবা লাকপা কাঙবুদগি লাইমিং লৌনবা চরাং মশা পাইবা মথে চেন্নরে মথোয় মশেল বাখল মামল্লে। তম কায়রগা চৌওত চৌঙ কায়রগা তমত শাগল নামত্তনা লৈবাক ওইমোই হায়বগি মওংগুম ইয় ইদা বাক বাক থোংনি। ঙাহুনা ইশিংদা চপ মুংনা লুপথৈ লৈখাদগি লৈহাও চিক্লগা ফুং ঙাওথৎলকই। ইয়া লৈপাক কল্লবগি মথৌ পাল্লবা কাংলুপনা ঙাহুগি মতৌ লৌহুনা হুমহুনা তুম থিবগুম থিল্লি।

(১০১)

অথৌবগী শাগোল্লৌ অঙম্বগী থাগোল্লৌ ।

মুং পানগি ওইবা শাগোল্লৌ থাগোল্লৌ হায়বা বাহম্ম অনীগি অরাং অয়াং নৈনবা বাত্তেক অমনি । মাগী ইথা থানদুনা মাতবু মীং কুপ্পুনা য়েংবা মাগি অথৌবদগি নাম্তোকনবা 'হাংনবসা শাগোল্লবনি । মসী তৌগে হায়বত ওমলিবা নিংথৌদা চংকদণা কাঙলোয়ম্মি । নিংথৌ মানবু চাল্লবদী নংগ অরাংপা লৈমরোই নত্তীক নয়াইন্নু লৈরম্মি অদুগা নিংথৌনা কল্লিবসি নংঙ । মাগী থানদনা লোইনব মাবী থরগি বানে । মসীদি বাখল লৈত্তাদগা ওাইহাক অমদী মপানগি ওইবা বানে ।

অঙগপি মক্কমদী নৈনত্রবমু বাহয় খোম্মোক্ক অত্তম কোঙলে । অথৌবা মাবুম্মু ওম্নবনি থুদম ওইনা থৌরবা থাঙ্গু মথুম্মদা চেংনা হাপ্প-টিল্লগা য়াল্লু শোকনিংঙাই লৈরিব্রা ? শিংথৌতনা মী খোম্বনি মাইচৌদী মী শেম্মবনি । অদুনা লৈপাক অমা মী কাঙলুপ অমা শিংনা হিংরম্মগে পুম্মুং মুংহনগে হায়বসী মাইচৌগি থুত্তা লৈএ । মসম অদুনা মতম চুম্মদা মাবু কাউদনা থাগোম্মগদবনি ।

(১০২)

মোনচৌঙদা শোয়ল্লোগে নাপচৌক্তা ঙাফোগে
ফোগাকচাউ ঙারী য়ানহৈনগে অয়োংনা ঙাথা পীগে ।

তিম্মবা মরুমুইশিংগি ইশা হিম্মরকপা হম্বনা চেনগদবা ঈশিংনা হঙংনা চেনথংলক্পা মতম অমা লাকনি । মতম অসীদি ইচাশা অশি হৈবোং চাম্মনা পানবা মতম্মনি হায়মা অম্বলনা ফুঙ্গদা শোম্ম থবেং থবেং ক্লোম্লগা তাকলশী । মরৈদা বাহয় কিশি অসিগা অমুক তাবদা ঙক্লা খোকখি । অদুবু মীংনা ঊমরে পাংতা লৌগদব শোয়বু ইঁথায়

তু'মলদা যোনচীঙদা পনথিংলে (দাম শাকে) থংনবা খুল নাপচীক ঙা'কম শাবে কৌপ্পাকচাউ ঙা পুমলে ঙা ওক্লবা ফংজনবা অরোংদা ঙা কাপে মখোয়গি শরুক খ'ইরে। অহুনদী তংখাই অমা কক চীরুপা অশিবাগি তংখাই হু:দাকথ্রগা ত'খাইত চাবা অশি হৈ:বাং চাবগি থাজন মরি য়ারি।

(১০৩)

মংংশাও থোরকলো উরুম লৈমা চওখরো
কবো লৈতে ফিলৈতে কোমা লাবা তিং তিং।

নীনি হুনমনি চুপ্পা নোং চুহুনা মুশীং মশক উরক্রবদা ঙমাঙদা চোংলগা রাকনসী লাউহুনা অঙাং ওইরিভৈদা ঐখোয়মক শাম্নকই। হৌজিক মালেমগি মীয়াম্না অনৌ অনৌবা রাখলগি মঙাল ফংহুনা খীঙ খীঙ লাউরবা তাঙ্গাসিদা ঐখোয় মীতৈদী উরুম হন্নাইমতোনগুম হিংলি। ইপা ইপু হাকথকুগি অরাং অপা থংনরকপা কবো লৈপাক অহু লৈতবগুমলে হায়না ফিলৈতে হায়বসীনা ঙংলি। করিগি কররা খঙদে কীজও খাদহুনা উত্রে লোইরে। কোম্না লাকদবা মীয়োল অমগি মতমদদা তিং তিং।

(১০৪)

হিংনবা মচাক ইশিংদা
হিংলগা লৈকম কংকালদা।

য়ালেমদা লৈরিবা শা ঙা উ বা অচং চংক্ত পুম্বসী পোকপা শিবা শাইবা ঙাক্লি। মালংদা হুমলিবসীনা হুমলেন অহুগা হিংনবা মচাক হুংদা শীল্লিবসীনা মুংশিং কৌএ। অহিংবগি লৈফম অঁসি কাংফাল অমম্থ ঈশিং অনী অসীনে। অহিংবগি মহুংদা রাকনসী খঙবদা

তাইবং মীওনে। মুংশিংনা য়েম্বা মৈবুন অমা ঈশিংদা লৈবনে মাবু থরায় কৌঅ পৌরবা লোন্দা হায়য়বগা মুংশীংতা কি কৌবা লায়রবা কংহু। মরমসী লৈবনগি ঈশিংদা লাই লৈ হায়বনে। শিরবা পোংশক অমদা মৈবুনসী হেক থাজিনবদা ঙাইহাক মমিল লৈগনীয়ে। মসিদগি অমাইবীনা লাই লৌথংপদা ইশিংগা অশিবা পোংশকতুগা থেংমনবা অং অহিংবা তিংলিবনি।

হিংবগা লৈকম কংকান্দা হায়বসী করি মরম লৈবগে হংবা য়াবা থাকমনি মসী মীওইবগি লৈকম তাকপগি মওংনি হায়বদী মপুগি লৈকোন শঙাদবদী মাওইবতনীনা মীওইবদী কংফালদা লৈতবা য়াদে হায়বনে।

(১০৫)

ঙাক্লুংবনা ঙাশক থঙই
উরুংবনা উশক থঙই।

হাফমদী তেল্লে কান্নবদী শাংগ্রে। ঙাশক থঙই উশক থঙই হায়রুবদী ঙা ফাবা য়েকপগি উ য়ানবা শুবগি থবক মথৌশিংঙু থুংলোয়রে হায়বদী থুংনা মাবতদা থঙলে হায়বনে ঙসিগি মীওইদা শিনফম অমত্তা মমুং তানা থঙদে থুংলোয়না হৈতে কংফালদা হুরাইবা তম্বগাক ওইনা তৌই, থাঙগি লৈতেংতং তম্নগা লাল চংপা য়াবা হৌনদে হায়বফাও থঙগ্রমাল্লে। অশম্বদী শুঙা নাইবা মীশক লৈশিল্লক্রে হায়বসী নীংশিংনবা থনম্বা রানে।

(১০৬

ঘুঙাওবনা ঝুম শঙলনি ফাঙো মাইখোম্দা রাই চাইবনি।

মসী খুংঙাইনা লিংনা পাক্লবা ইস্নুং অমনা মথাই চায়থরকপা অকনপি য়োলংবে। পাঙল তেকপমথৈ শুরগা কংলকপা হিংমবা পোংলম কয়া অমমদী লাথন তাকলকপদগি নাক য়েং য়েংলগ অহলশিংনা পোংথম চাঙা চানা অনমলিবা খুংশিনরু মাঙদনবা কায়দনবা শঙগি থবক ভরাইনা লত্তে। মখুম লৈমরদী চঙকম লৈবোক হায়রব কাওবা খঙজবা মশাগি বাখল য়ুরবা অঙাওবা কাঙবুনা য়ুম শঙগদোৌরিবসী হৌদে ঙনা ঙা চাবা য়েংউ হায়বগি বাফমলোমদা লাকনি। লোইননা অঙৌবদা হৌকম লোৌহকম নাইদবা ময়েক মশোন ঋাঙবা বাকমতাক অমুবা তাবা পাউজেলনা বাই চেইরনিয়ে।

(১০৭)

মোইথোকপী মোইথোকপী তাই তাই
য়েন্দাই পোতাই তাই তাই
ফান্দা ফমবী মোইজাওবী
তরেং লৈমা থখপ চোং
শুৎ পেৎ তং।

মসী ঐথোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা তোয়না শাংনশানর ৷ বনে। মোইথোকপসি য়ামা ইকাইনৈ। অহুনা ময়াম তিনবদা অমনা হেক থোকপদা কনাননো থিবদা শরুরম্মী।

[বাহন্দোক]—মোই থোকপগি মতাঙুম থংলাক থংজ্রিন্দা হেক হায়দোরকপা বাকমহুদী অমনবা য়েন্দাইদ পোং হাপ্পদা তাবঙুম লৌখংপা য়াদবা বাকম ওইরবা ফাওবদা বাকম অহুদা ইতা তাগনি হায়বনি। কনানা থোকপনো ফান্দা ফমী মোইজাওবী হায়বসীনা অমুক তাঙ্খিবদী অচৌবা ফমথোন বাংমা ফমলিবা মীশক্লা থোকপনি অসীনি। অহুনা অঙবগি বাকমদা তাবদী হৌনশানী। 'অহুনা' মামা মীয়াম্নু তরেং

লৈবক্তম খুন্নোঙ্গীদা লৈহুনা পুন্নকপনি । মীশক থক্তনা হুং হুং নমহুনা পেংনা পেংনা হংহুনা খিন্নকপদা, অং হায়বদী নংনা নত্রা হায়না কিং নমগনিয়ে খংও ।

(১০৮)

মোই পোং খোক শামু মরী পং অং
লৈপুঙ কয়খেল রা কায় ।

মোই খোকল্লিবসী মহাক্কি হায়বা মীয়াম্মা মুন্না থঙলবদা নোংখা তৌগে মতাপ্তুম পোং হেক খোকপদা হায়বদী কনাগি রাকম য়াওদনা মরম অমত্তা পীদনা রাকম অমা শেক হায়দোরকপদা, শামু মরী হায়বদী লৈপাক ওাকপগি থৌদাং পুম্নিন্নবিবা মাগি মীথিং মথৈ পং তংগ্রগনি । মতাং অসীরাইদা লৈপুঙ কয়খেল হায়বদী মীয়াম্মা লৈপাক্কী রাকম নৈনন্নিবা মকমহু রা কায়গনিয়ে ।

(১০৯)

লুপাক মথুম তমং থুংশা মরোলথোক
চন্দোল নাতোল থীবেং পেং ।

রাখোঙ থক্তা লৈশ্রে পোলোইগি রাক্কন্ত কাওখোকহবনি । লংজীন ফংলবদা তমংনা য়েংশিনবগুম লুপাক মথুম হাংবদা পুম্না লংজীন ফংহুনা অন্নিবা মচাক মথুং মথুংনা পায়গ্রনি । নাতোলদা চন্দোল রাউবি রাউবি তয়রক্লবদী মতমহু য়ৌরে খংও ।

(১১০)

উচি লুমলি অউন চাকথিরি
শজোম থুমপেৎ চৗরম তংলি।

লাইনা থাবা মতীংদা উচি মাম্বা লুমলি হৌদোংবা। শজোম উবদা লমদনবস্তু হৌদোংগি হৌজশাবি। কয়থেলগি মঙাং তুনাং চৎনা চংনা অতুম য়েংউ, লৌমী শিনথম লেপকনুসী শিনমী থাখল-চোইগনুসী।

(১১১)

পোঙশঙ বানৌ পাম্বাদা উতোং চঙ্গুম মমহৌরো।

উতোংচাক হায়বসী লাইনা থাবা চৗরমগি চাকথাউগি অউন চাকনে। উতোংদা থোংই হাকবগি উতোংচাক কৌবা মশেয়ে চাক-থাউবু উতোং কৌবনে লায়না লুবা অহল বানে। হকি উতোং অসীবু মেরবা চকম চাংগি লুকপু উতোং মেরক কৌবনে। উতোংচাক মতেক অমতং পুক্সা হেক থাদখিবদা চহী কুমজা অতুমদী চাকথাউদু ইহল হন্না লৈগনিয়ে। মমসী লৈবমা 'নিংথৌশিংনা 'চৗরথাক চাউয়াদা উতোংচাক চাবা চংমরমই। পোঙশঙ বাঙেপা শজেবী বানা শিনগনি। থম লৈনবা য়াবনা ভরাংত ইনিঙথৌ পামহৈবনা যুবালাদা উতোংচাক চাখিবা অমিবা বাফমনা 'নিংথৌ 'কাংবা হাকথক্তা' চাক' চঙ্গুম পালবগি রায় লৈপি।

(১১২)

অমাংবদা তোংগক্ত অতোঙবদা লেপপু।

অহাংবদা তোংবদী তাদনবত লাইমীত ওইবা মমশি। অহাংবদু [illegible]-হাইথরকপদা থক্কগি তাদনীতাই [illegible] [illegible] [illegible]। তাকম তুকম লৈত্রবা অতোওবা হায়বদু মসৌনি। [illegible] [illegible] যংলিবা শক্লকতো অরেপনি। অহুপা [illegible] মতাক হায়বসীদা [illegible] মতালসীদু কনানা ওহ্নুনি। লেওত্রবা মতাল লৈবা [illegible] পোপ তাগনি হায়বা বানে।

(১১৩)

চীওদা কাহুনা শিন্দাংবা
[illegible] [illegible] লাঙ্গেমবা
অওনবা চাংজো উরনীয়ে।

ফনা পাকপা মীতৈ লৈপাক্কী থুঞ্জিনমুক্তা মওায়রনী শুকম চংফম লৈত্রতুনা তম্পাক্সা চীওনা কারগা মোংমগি চন্না তাল্লমি। [illegible] য়াহিপ তম পাদ ফুমলো চা বানা ময়ুম [illegible]নি। অওনবা মতম্না নৈহুনা ময়ুম চীওশাং থাদোক্তুনা [illegible] তম্পাক্সা লাঙ্গেল্লনি। মতমদু য়োরবদী হাক্সা কুইররোই লনথুংফম মশি উরনিয়ে।

(১১৪)

নৌরিউওদা ময়শা লাং
কুইর কুইর মইমিল [illegible]।

ইমাইপেম্মা বাহয়না য়াংলিবা মহয়না চুমলিবা। থাওলেন[illegible] তারিবা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] থানি থোইজনা [illegible] [illegible] পোংলাং [illegible] [illegible] মতমা থবা [illegible]

মোনখোকুন্না অদা ময়চাক অকাউনরে। কীচেং কীগ্যায় য়াওয়বে চাদবনা ভাংজেংনবে। অহুবু ওদিদী মীয়ামলঙা মচীন মৌপুরাবু খুজেং পায়হন্না পুশিল্লি। মরৈপাক কনবদা মথবাই পোম্বা পীখিবা মঙাগি লমন লয়পাক্কা অমুক শিংলে। মশেঙ্কা য়ৈবা মমশানে মঙালনা খুবা ময়নিলনে থঙলে।

(১১৫)

উবগা তাবগা খুবাক মকৈ খাপ্পরা।

খুংগা মঙাগি মরাক্তদা খুবাক মকৈনি। খুংগা মঙা চুপ্পবদী মহাউ শুনা ফংলে থরার তারে। অরায়বা লোন্দা হায়মগা তাব্বিবা পাউদুগি বাহয় রাতা পরমগ। পাউমীগি মীওঙগা নাত্তে হোজ্রবা অমদী মমীক চুবা বাহন কংলবদবু মীংনা উগা পাংথকনি লোবসী থোইনা লাক্লে।

(১১৬)

অচঙবনা তংখায় কক্

অশিবগি তংখায় কোক্

মকোক চিংবা বাহয় "অচঙবগি" বাফম"তুকা খিনবা ইগা ইপুগি খুপচা বানে। পনঙাকপা হাওবনা য়াক্তাবিদৈ প্লানগি মীতোপ চঙলকম খিদো। ইয়ান নিংথৌনা-মচাঙ্গাক হুনখি শরেণু কাখি। মখোয়দো মথরাই শুরবা থঙবদা চল্লে। য়েলহৌউৈবগি খুন্দারকপা কাওবুদা মখোয়া লাইশোঙ্গ্রে মশাগি মমৈক্কা শকথঙনরে, কোয়া চঙলকপনা শিরে লৌরে। অচঙবা কাওবুনা চাকখুং চয়োম কক কক চীক্তুনা তংখায় চারগা হৈরেপাকচা অশিবগি শরুক তংখায় লাপ্পবা কোক থাদরে। মপুক খাত্তে নাক্লে ভাংজেংনরে হুমিদাংরাইদা নাক্লং পুক্ত্তু কাওল্রে বা লোইরে।

(১১৭)

নংস্নু ঐনি ঐস্নু নংান
লোয়নবা মাপি মরানে।

নংনা তৌবহ্ন ঐ উই ঐনা খনবস্নু নং খঙউ হায়বসী ইশাপি ইমিনা হায়বা রানে। অহুবু কদায়। ঙসিদী অথেঙবা অহিংদা মীপি কে'ম্বে,ঙজে শংলি। মখোলদী যোক্তনা কনাস্নু উদে হায়না মথাস্নু তাখি। পঙগ্রেদা নংস্নু মীনিকো নংনা শংপহ্ন নংদী খঙইদনা নশাকাও মশক খঙহ্রবরা।

(১১৮)

সনা কয়থেল তাকলনি
চাকথা কয়থেল মংলনি।

শাপাউ লানপাউ কনবা মঙম অমা লাকপগি রানে। মঙমদো মযোলদা কারিবা সনা কয়থেল তোয়না কাহ্ররনিয়ে। লয়কাই খুল খুদীঙগি চৎা তৎা কয়থেল মচানা খল্লনি হায়বা রাতানে। চাকচা ছংশিবা য়াহিপ হুঙাইবা হায়বহ্ন মঙমহুনে খংঙ।

(১১৯)

মীৎ নহানা হাউনিদ্রা শোল্লি
য়া মত্তোলমা থুমনিদা হায়রি।

থঙইনা অঙঙ হৈতনা অহৈ শাগহ্ন তাকপা রানে। পাঙল হল্লি কৈস্নু চানীঙ থকনীঙগ্রে অহু চাপেরা মহু থক্কেরা অঙাং রা রাই চাইগে।

থংহায় পাউথুব মীংতা নম্রনো কৰি থোকনে। নৈনা য়াত্তোন্দগী মহাউ নৌরগা লৈনৌদা পীবদা থারে থুমনে থঙবনি। অহুবু য়াত্তোন তংমীভত্রে হায়বা বাহু লৈনৌ তাম্বি লাকখিনি। "মীৎ হরাউ য় হুরাউ" লমহাঙদা তংবা ইশৈনে।

(১২০)

মীথুৎ চনখ্রে নংগি ওইত্রে
পোংশক থঙত্রে পুম্মাও মাঙনে।

নৌউ পাম্বা য়ৌরক্লে নৌবুক থোইগদবা হয়েংত ভায়রে। মখল নামা হৃত্রে শল মাঙখ্রে তেংথারি। মানা শীজিন্নরি নংগি শলহু শনশীঙ বাৎতে চাথোক তাদে। শা কৈনা চাখিবগি শক শয়াঙ ফংলবদী মাঙলে মথৌ ককলে।

(১২১)

নোমজেন চেঙবা অহানবনি
অমা মাদী লয়তারবর্নি।

মহৌশা মথোক কাব্রিতৈ অরেপ্পা পুক্চেল চেল্লিঙৈদা হায়মরম্বা অমগা অহানবগা অনীগি চায়ন বানে। হয়েং লৈরি ওসি তোক্লে হংচীৎ লৈরি হয়েং চৎত্রে অহানবগি হৈনবীনি ওসি ফংবা শেল হয়েং মশক উত্রে ওসিগি বাহু হয়েং য়োবা বারে। লাইকম চামনীপাল কোয়রবদা খোঙ্গুল থংত্রে লমশি শিত্রে। অমগি বাকম মথা তাগে। খোইরী লিনশাং তাকমদো ময়ুমনি অহেম্পা মশক্কা মাপি লাইনীঙনি। থবা ফংলকপা শেলহু কাংথুলদা থাবগুম হৈনবা থবক থৌরম্দা থাদহুনা মচা

পোক্লে। পোক্লেপ ময়াং কংদ্রে পুন্সী খোয়রেল মংহৌনা পোক্লকমদা মোংফন ওইদ্রে। অহুমলক য়োংউ হায়বা লাইবাক্তু মনাদা হাপথিদ্রে।

(১২২)

ঙ্গামদা য়ামনা খিত্তা লৌরু
থজোক থজোক য়ামনা কংজৌ

ইয়াং য়াংনা উবা থাঙ্গংপদা রাবা রাফম অমনি। মীয়ামা খঙদন তানয়বসীবু করিগি লাদা তারিবনো হংবা য়াই। মসী অচা অথক শেল থুম পুবগি রাফমদা নত্রে নিবগি লমদাংদা চৎথগদবা রাফমনীনা খোঙচৎ থবক্কি কাঙলম চিন্না লৈদ্রে। হুংগি রাথলগা লোয়নরগা মধুমদা পুক্লিং লয়তানা লৈরিঙৈদা চাং কক্কনা থজক নিরুবদা মানা পীরক্কবগি বা লৈতে। রাফমসী মতম মানস্থ য়ারবনি। অবুক্লা চাংগা লোয়ননা মী অমস্থ মথুং চল্লানি। মসীঙ কক্কা চাউনা নিরুবদা অনী অহুমলক চংতবা য়াররোই। থুদোং চাগমদবা থোক্লগদা মীশক অমা অমুক খিবা তাগি।

(১২৩)

পুক্লীঙ্গি য়াহিপফম ফযুংনি
রাথলগি য়াতাফম ফানুংনি।

কিশি খিত্তং কোমহত্রবদী রাহন ফংবা থীল্লনিয়ে। পী পাগি য়াহীপ তানফম ফমুংশি অমস্থং পাথ্রা লুপ্রাগি য়াতাফমহুনা ফাম্ভুংনে। অক্লগা খিগদবা হুংগি ঈচেলমা য়াহীপ অমদী য়াতা তানীগি মথো

মতম খঙলোকপনি । মপাত য়েংলগা কম চোংশিনবা ফুক চৈগংপা য়াহীপকম কয়ুংনে । শোয়নীঙাইনা খল্লবা য়াঙলবা য়াহীপকি খোঙ-জেলনে । অমা অনা কল্লক মিহৌগি হৌকমনে । অহুনা অশোয়ববু হ'য়া খল্লুবা থবক চত্থবগি মাদী লৈত্রে। শমা হায়রবদা অনীনা শেমগৎপা তাইবঙ অনীনা থুগায়বনি খংও । অহল য়াওদনা য়ুম লিংবা য়াদবগুম চাউশেন শেম্নদবসু য়াত্রি । মাওগি খোৗদ'ক তুংগি মা কমদা মাখল লয়তারবা মাগি য়াতাকম কাহুংনে । অপাম্বা কল্লকপা খজীক লাকশিনবা ওম্বা মাখল মাগা য়াওম্নগনি হায়বসী কাহুংগি তোমখিন মানে ।

(১২৪)

নমাবু ঙৌহুনা চাগে মাশকপা
লোংমদী শোয়রোই মতমনা মাতেম্বা ।

ইম্বা কম্বী ঙৌহুনা চাগে হায়বা নহাগি মাশক অমা থক্লা লৈত্রে । অতুদগি খো'রকপা অহলগি অশাউবা থকি মাকমসী ওসিস্কাও মনিল কারি । মাশক্কি মরেপ য়েংলগা মাতেমগনীয়ে । কম্বী ঙৌহুনা চাবগি মাহনসী শাথিনা লুত্রে । ফৌঙুগুম হায়বগা চেঙ চোয়গুম নাম্বোবই হায়বগুম থক্লা য়াল্লিবা মাহন মুঙক্লাউসী উদহুনা মীরাম্বা নাচুংদনা লৈরি ।

মমাবু ঙৌরগা চাগে হায়বা নত্তে অতুগা ঙৌনবা উয়ান থাং লৈমা লৈনা কম্বীগি করি মথৌ লৈ । মাহন লম্বী লাম্ন কাংলগদী মাখল লম্মুকনরগনীয়ে মাংখিবা মমাবু মচেং তানা কল্লপা লৌমরো পীরকপগি অমা ময়চাকতু চাগে কংজগে হায়না মাশকপনি । ওসি মচানা মপা মমানা মতু হাংলে মতম্বা পাক শাম্না মাতেম্নলেদে' ।

ইমা লয়পাকসী শিংকুপ শানা শেগায়রগা পীরমলগে খল্লরা খণ্ডেে। অহনা পোলোইদা পীরম্বা রাকমদী ফম্বদগি লেকথরকপা মতম য়ৌরবদী ফজ্রবা লৗচৎসী য়ৈথহৌবা ঙমগনিয়ে লৗতনি ।

(১২৫)

মাঙ থাববু চিংলি মানা
তুং থংবনা ইল্লি মাবু ।

ইশাগা লীপরুদবা য়াদবা নৌনা লয়শেম্লবা রানে । ইশিংনা তাক্লি অকুৎপনি ইনু' ঙাল্লে কাকনা লাউরি য়েম্'রাবনা লাংদাই পুংজাম্ন লেপ্তুনা য়ৈরি । লোমীদা ফৌনানা মহুম মশীঙম্নু অমুক তাক্লি। মহৌশা মানা লমজিংতুনা মফম মতম খঙহৌরবা মশক মংংম্নু উহৌরবা ইপা ইপুঙাক্লি। মতম্না পুমকোক কোকখোকথবা মরম মৱাই খঙবা মতমসীদা তাহৌ খঙহৌবা রাফম লাদা তাহৌবসীগি তুং ইন্দবা য়াদবনি

(১২৬)

রাম্বী শারগা লম্বেন ঙেল্লি,
তুবং নাত্তেনা লাম্বা ফংই ।

মীওবগি পুন্সী লমদিংগি খোঙচৎ তাকপা রানে। খোম্থোক্লি থোইনা চেম্নদে য়েংবদী টকা কানা উয়ে। থক্কি র'ফমসীদি ইয়াং য়াংবা পোৎনি। চৎতবা য়াদবগি চৎপতনি লমশাংহু চৎকদবা তল্লবনি রারীদা অরাবা খঙহৈদবনি। মতোমম্ত ওইরবদী লম্বীদা লমদনবম্নু য়ারিবা পোৎনি। খাগি রাফমদাগি অমুক ফংবনা মতোন্দা লম্বীগি রা লৈখিত্রে য়ৌরগা লেইরে। হকল্লবা মতমদ' লমখুংফম য়ৌবা অঙম তানথ্রে ঙম্বমথৈ শমখে। ভাবদা ওক্লা থোকপা লম চিংশিনবা হায়বহু মসীনি খংও। কাউকদবা রানি মাইম্যা তাম্রশিংনা অহিং অমদা কাছাড়দগী ইম্ফাল লয়হেন্নখি ।

খুইবসি লাইহিরিকশিং

থোক্লবা

১। লাইহিরিক কুপী
২। চৈথেংক কংবাংনা
৩। পাতিংবাং
৪। চয়োল্প খুশকি
৫। অচুম্বা নীংকাং
৬। বাদোং চুনাপ
৭। মঙ্গল চুমাংসি বাখল

থোকত্রিবা

৮। ক্যাজীককাং
৯। চৌওবা তময়া